মচীন্ মনাহে
মুশিগী বারি

মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী মতেংনা ফোঙজবা

মচিন-মনাও অনিগী বারী

ইজবা :—
এল, নদিয়াচান্দ শর্ম্মা

১৯৬৮।

ফোঙজবা :—
টিএইচ, প্রদীপ সিংহ

মমল—১.৫০

মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ, ইম্ফাল, ১১০০ কোপী

ৱাহৈ খরদং

হৌজিক চাওখৎলবা মতমনি। করিগুম্বা দেশ অমগী জাতি অমগী সভ্যতা য়েংগে হায়রবদি সাহিত্যদা য়েংনৈ। সাহিত্যনা দেশ অমদি জাতিগী চওখৎনবগী য়ুমফম্নি। য়ুমফম লৈতনা য়ুম শাবা থক য়াদে। য়ুমফম ফরবতদা ফজবা য়ুম, চাওর চাওরবা দগনকয় কয়া শাগৎনরক্লবনি। মরম অদুনা "চাওখৎপগী য়ুমফম=সাহিত্য।।"

ইংরেজী, হিন্দী, বাঙালি অমসুং অতৈ অতৈ লোন্দি মথক্‌ মথেলগী, অঙাংশিংনা পাননবা মথীং লাকওনজবা লাইরিক লৈরবে। মৈতৈলোন্দদ ওসি ফাওবা পানবা লাইরিক অসি য়াম্না য়াৎলি হায়রবদা হায়মনবা ওইরোই। মরম অসিনা থোইদোক হেন্দোক্লা শীথানবা য়াবা নত্রবসু অঙাংশিংগা কাবকপা জেনেরল বুক অমা ওইনবা য়াগদ্রা হায়না খন্দুনা ইংরাজীদগী অনুবাদ তৌজবনি।

মণিপুরগী সাহিত্যগী য়ুমফম থোনবদা এনা ওমজবা লৈতুম অগনি হায়না খন্দুনা লাইরিক মচা অসিনু থম্মোই পেংনা কংচবা ওয়া অসনা এহাক পোকপগী মহৈ য়াগে হায়না খনজরে।

মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগনা লাইরিক অসি ফোঙবদা শেলগী মতেং থরা পাংবিবগীদমক হন্না হন্না থাগৎচরি।

নদিয়াচান্দ শর্মা।

হীরম-লামায়

হীরম — লামায়



মচিন-মনাও অনিগী বারী

(অহানবা শরুক)

মতম অমদা মচিন-মনাও অনিথক লৈরমই। অহলগী মমিংনা "মোহন" অমসুং মনাওগী মমিংনা "রাম" কৌই। মোহন অমসুং রাম মথোয় অনি অসি পোকমিন্নে হায়বা থাজদবমথৈ মথোয় অনিগী পুক্নিং, রাখল পুন্নমক য়ান্না থেন্নরমই। মোহন হায়বা অসি মশাগী ওইজবা য়াম্না পাম্বা, ম্রীওোন্দা পিথোক্লিংদবা অমসুং মীগী অন্না-অনা মশক থওদবা মীশকনি। অদুগা রামদি মাদুগী ওন্নবা য়াথন্দ লৈ। রামদি থরদং লৈজরিবা কাওবদা মীগী থজিক্তুং কান্নগদবা লৈরবদি দান তৌথো কই।

অতম থরগী মতুংদা মথোয়গী মপা শিথিরমই। মপানা থনম্বা লন-থুম পুন্নমক মোহন অমসুং রাম মচিন-মনাও অনিদা তথাই তথাই য়েন্নরমই। ময়াম্বা অহল মোহনদি চাদিং তৌদবা লিকপা মরমনা নোংমা নোংমগী ইনাক খুনবা অমসুং শেল পায়বা মী অমা ওইরক্রমই, মহাক্তি অচৌবা ইথোল অমদা চেক্কী য়ুম চাউনা ফজনা শাত্তুনা অরাং অপা লৈতনা মনাই-মশম্না ইকোয় কোয়শিন্দুনা হুওাইনা লৈরমই। অদুগা মনাও সুপা রামদি মীগী অন্না-অনংগী মতেং পাংবা অমসুং মীওোন্দা দান তৌথোকপদা মহাক্কী লৈজরম্বা মরল-মথুম পুন্নমক লোইথিরমই। মহাক লায়রবা মী অমা ওইরদুনা ইথোল মচেং অমদা শেগায়রবা থাংপোকশও মচা অমা থমদুনা য়াম্না য়ান্না

লৈরমই। ময়াম্বা অহল মোহম্না লায়রবা মনাও রামবু মতেং পীবদি লায়রদুনা হম্না ক্ষাওবা য়েংখিদ্রে। অসুম তৌনা রাম, য়াম্না রানা পুন্সি লেল্লমই।

নোংমা অমুক অমা রামনা মহাক্কী খাংপোক্কী থোঙজিন্দা ক্ষমদুনা লৈরিবৈদা, ইখঙ থঙহৌদনা উচেক মচা অমা মহাক্কী ম্যাঙ্গোল মনুংদা চঙলক্লমই। উচেক মচা অদু মশা য়াম্না শোম্না উরমই। রামনা উচেক মচা অদু নিংথিনা পমখৎপিরমই অমসুং মশা নামা শাথিনঃ শোকপা অমদি তেকপা উরমই। মগাল্লা অশোকপা মশা অদু নিংথিনা হিদাক-লাংথক তৌবিদুনা ফিনা পুনশিনবিরমই। উচেক অদু রামনা য়াম্না লুনা চাম্না তৌবিদুনা পীজ-পীথকপিরমই অদুগা মুংঙাইনা পোত্থাক্ষমসু পীরমই।

মুমিৎ খরা লৈরগা উচেক মচা অদু অনাবা ক্ষরমই। রামগা উচেক মচা অদুগা মখোয় অনি য়াম্না চাম্নবা মরুপ ওইরক্লে। রামনা উচেক অসিবু মুংশিবনা পাইখিহননিংদ্রে, অদুবু পাইজথ্রবদি মহাক্কী মনিং-মথা তমজগনি হায়না খল্লমই। নোংমদি উচেক মচা অদু মশা পুংক্ষ-ক্ষরদুনা পাইথোকখিরমই।

মুমিৎ খরগী মতুংদা উচেক মচা অদু মচিন্দ করিগুম্বা অচৌবা মরু খরা উমলদুনা অমুক হম্না রামগী খাংপোকশঙদা পাইশিল্লক্লে। মহাক্কা মরূশিং অদু যতন তৌনা মহাক্কী ইথোন্দা থাজিল্লে। ঈশিংনচিংবা চাইদুনা থুনা হৌননবা হোৎনজরে। মুমিৎ নিনি-হুম্নিগী মতুংদা মরূ অদু পোকথায়দুনা কজরবা "তরবুজ" পাম্বী ওইনা হৌরক্লে। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম

চাউখৎলক্তুনা মপান শাৎলক্লে, মহৈ য়াল্লক্লে, থা থরনী মসুংদা নিংথিনা হৈজিং ফারক্লে। মপুঙ ফারবা মতমদা লায়রবা রামনা, চাউরবা অমসুং শাংলবা তরবুজ ময়াম অদু খায়দোক্তুনা য়েংবদা ইরং ইরং লংলবা, মিৎ থক্লা ফজরবা, লৈঙোইনা পিক পিক থন্না য়াওরম্বা উবদা রাম, ঙকপগী পন্দোম লোমখ্রে। অরংবা মকুপশিং অদু সনা ওইরম্লদুনা মহাক্না খাউ ময়ামদা হানজিল্লগা কৈথেন্দা পুত্নুনা য়োম্থোক্লে। রাম শেল য়াম্না ফংলে, অচোবা লৌ ইথোল লৈশিল্লে অমসুং ফজরবা চেকী দলান শাগত্তুনা সুংঙাইনা পাল্লে।

খঙহোদনা রামনা ইনাক খুল্লকপা অমসুং সুংঙাইরকপগী পাউ অসি ময়াম্বা অহল মোহনগী নাকোং য়ৌখ্রে। মহাক্না মনাওগী মফমদা চত্তুনা করম্না খঙহোদনা অসুক য়াম্না থুনা ইনাক খুল্লক্লিবনো হায়না মরম হংলক্লমই। রামনা ময়াম্বগী মফমদা অথাকপা লৈতনা, উচেকা মহাক্না মখোয় অনিগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক পূম্নমক তমজখি। মাদু তাবদা মোহন ঙকপনা থম থেংখিরমই অমসুং কল্লক মিহোবগী মৈচাক্না মহাকী থম্মোয়দা ঙমখৈ লৈতনা চাকখৎলক্লে। মহাকসু মনাও সুপাগী মতৌগুম্না উচেকী মতেংবা ইনাক খুনবা পাল্লমই। কল্লক মৈনা চাকখ্রদুনা মোহন্না মুমিৎ নিনি-ছম্নি মশা তেকপা উচেক থিবা কোয়চৎ চংলক্লে। অদুবু মফম কৈদসু ফংবা মরৈখিদ্রে। মমৈথংদা মহাক্না উপায় অমা পুথোক্লে।

অহাক্না, মহাকী মনাইশিংদা, 'উচেক মচা অমা কারুগা মশা থুদেকউ, অদুগা মহাকী য়ুমগী থোঙ মথুংদা হুনজিল্লকউ'

হায়না হাথং পীরমই। মহাক্না হায়খিবা অত্নমক মনাইশিংনা তৌরে। হুনজিল্লক্লিবা উচেক মশা তেকপা অত্ন মনাও মুপানা তৌখিবগুম্না, নিংখিনা খুনগৎলত্নুনা খৌজালহৈবগী হাহৈ কয়া হায়রত্নুনা অতেকপা মশা অত্ন হিদাক লাংথক তৌবিত্নুনা, নিংখিনা ক্ষি মচেৎনা পুনশিনবিরে। হাউরবা চান-থরুবা অমত্তুং মুংঙাই-রবা ফমুং শেম্বীরত্নুনা উচেক অত্ন থম্বীরে। উচেক অঁত্ন মশা করকপা উরত্নুনা "পাইরো অত্নুগা তরবুজ মরূ পুরক্ক্ুনা থুনা হল্লকউ" হায়না হন্না হন্না হায়রকই।

ভোাংমদি উচেক অত্ন পাইথোকখিরমই। মোহন উচেক হল্লকপা ঙাইবদা লৈফম চাকম খঙথিত্রে। মুমিৎ নিনিগী মতুংদা উচেক অত্ন মচিন্দা অচৌবা মরূ থরা পুরত্নুনা হল্লক্রে। মোহন মুংঙাই-বগী পান্দম লৈখিত্রে। মহাক্না মরূ অত্ন লৌরত্নুনা হাম্না চেক-শিন্না থারে অমত্তুং ঈশিংনচিংবা চাইত্নুনা হৌনবা হোৎনরে। মহাক্কী হোৎনজমন্না মরূ পোখায়রত্নুনা মতোল চোংলক্রে, নোংমা নোংমগী চাউখৎলক্ক্ুনা মপান শাৎলক্রে, মহৈ হাল্লক্রে। হৈজিং ক্ষারবা মতমদা, করাম চাউরবা অমত্তুং কল্লক চাউরব মোহননা শীংজংনা পাম্বী অত্ন হাম্বুৎলে। অত্নুগা মহৈ (তরবুজ) অত্ন থোকতোক্লমই। নাপু মচু মানবা লৈঙোইশিং অত্ন মহাক্না মথরাই মুংঙাইনা অমত্তুং পূক্লিং চঙ্না য়েংলমই। তৌইগুম্বমত্তুং লৈঙোইশিং অত্ন মচুতবু সনা মানবনি সনা মকুপ্তি নৎলমত্রে। খঙহৌদনা লৈঙোইশিং অত্নুনা তরবুজ মমুংদগী অতৎ-অথম লৈতনা জর জর পাথোকত্নুনা থোক্লক্লমই। অরাবনি থোক্লক্লিবা লৈঙোইশিং

অদুনা মপুক কত্রবা কল্লক চাউরবা মীনুংশি খওদ্রবা মোহনগী চাউরবা দলান, ফজরবা লৌ-ইথোল, লন-থুম অমসুং মনাই মশন পুন্নমক থুমগৎল্রে। মোহনগী লৈজরম্বা পুন্নমক পুম্নাং মাঙখ্রে।

আলেকজেণ্ডর অমসুং খুনগী অহন

(অনিশুবা ৱারী)

চহী চা কয়ামুকী মমাংদা আলেকজেণ্ডর হায়না কৌবা মেসিদোনিয়াগী মতিক মগুন লৈরবা ফাওরবা নিংথৌ অমা লৈরমই। মহাক লান্দা হায়নিংঙাই লৈতনা থৌনা ফরমই অমসুং হৈশিংলমই। মহাক্না দেশ কয়া কয়া জয় তৌরমই। অদুগা ঐখোয়গী লৈবাক ভারতবর্ষগসু লান থেংনবা পামলমই।

আলেকজেণ্ডরনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ভারতবর্ষগী ইনাক খুনবা, মুংঙাইবা, লৈহাও চেনবা, ফজবা দৃশ্য অদুগা ভারত বাসীশিংগী পূকচেল শেংবা, থম্মোই চাউবা, মীঙোন্দা পীনহৈবা অমসুং চৎনগী ৱারী তাবদা মহাক্না ভারতবর্ষগী নিংথৌশিংগা লানথেংনগে হায়না মপূক্লিংদা চপ য়ুংনা থনখিরমই।

আলেকজেণ্ডরনা ভারতবর্ষদা লাক্লবা মতমদা মশামক্না থেংনরমই মতুদি মহাক্না দেশ কয়া, লৈবাক কয়া অমসুং নিংথৌ কয়া জয় তৌরকপদা ভারত মচাগুম্না ইচঙথোবা, ফজবা লৈতবা, পূকচেল চাউবা, পীনহৈবা, পূকচেল শেংবা অমসুং লোম্বা

কনৃবা উথিদ্রি। অদুগী মথক্তা ভয়ত মাতাগী মচা মুপা পুরুনিংথৌগী মকমদগীমু থৌনাফবগী পারা কয়া তমখি। মশিমক্না মহাক্না অঙাং ওইরিবৈদগী তায়কপা ভারতবাসীগী ইচঙ থৌবগী য়ারী মশানা হাকথেংননা খঙখি।

জোহংমা আলেকজেণ্ডরনা অচম্বা (সাধরনগী) ফিজেৎ অমা শেত্তুনা চৎথোকলমই। মহাকপু কনানমু ইরাই লাইনা নিংথৌনি হায়বা খঙনরমদে। মহাক্না অচম্বা ফিজেৎ শেৎলগা খুঙ্গংদা কোয় থোকে হায়না খল্লমই।

আলেকজেণ্ডরনা খুঙ্গং অমদা চঙলকলমই। খুঙ্গংগী খ্বাইগী মচিন চৎপা অহন অমগী ময়ুমদা মহাক থুংলম্মী। হায়রিবা অহন অসি খুঙ্গংগী রায়েন চৈরাক তৌবা খ্বাইদগী চাউবা মচিন চৎপা অহম্নি। অহন অসিগী ময়ুমমক্তদা আলেকজেণ্ডর চঙলকপে। মহাকপু য়াম্না নিংথিনা তরাম তরাম্ন: ওকলমই। আলেকজেণ্ডরনা মহাক মশাবু নিংথৌনি হায়না অহন অসিনা খঙলমলোই হায়না খঙরমই। অদুবু খুনগী অহম্না লাকলিবা ভদ্রলোক অসি আলেকজেণ্ডর নিংথৌনি হায়বা তশেংনা খঙখিরমই। ঐখোয় ভারতবাসীগী হৌনবী ওইনা কনাগুম্বা অতিথি লাকপদা অচা অথক্না পেলহন্নে। মুমিং অসিদা নিংথৌগী চান থরুথা ওইনা চাঁদিগী ফজরবা পুকথমদা সনাগী থাঙেস ময়াম, মণিমুক্তাশিং অময়ুং মমল য়াম্লবা নুঙ অময়ুং হীরা ময়াম পুথোক্তুনা থেন্দুনা থমলে। তৌইগুম্বয়ুং চাবা য়াবা পোৎ নত্তবনিনা আলেকজেণ্ডরনা চারমদে।

"অসিগুম্বা পোৎশিং অসি ভারত বাসীশিংনা চানব্রা ? হায়না নিংথৌনা হংলকই।" "নিংথৌরেল ইবুংঙো ননাই ঐখোয়না চাজবদি, চাক অমসুং মনা মশিং থোংবা, শঙ্গোম অশেংবা, গিলাস অমত্তংগনা চায়া ওইবৈ। ঙাকপিয়ু ইনিংথৌ, ননাইনা খনজবদি, থাপলবা গ্রিস লৈবাক্তগী অয়া অনা পুন্নমক থাদোক্তুনা ভারতকী লমদমদা লেংবিরকলিবসি, অসিগুম্বা লন-থুম অসিগীনি খনজভুনা ননাইনা ইনিংথৌদা কৎচবনি।" হায়না খুনগা অহম্না খুমখি।

অদু তাবদা আলেকজেণ্ডরনা গোমোন নোক্লদুনা হায়রকই — "তাবিয়ু, ইকাই খুম্নবগা মশক ওইরবা অহন, ঐনা ভারত্তা লাকপগী মরমদি লন-থুমগী ঙাক্তসু নত্তে। ঐনা অঙাং ওইরিবৈ-দগী ভারত বাসীশিংগী থৌনা ফবা; পুকচেল চাউবা, ধর্ম্ম লৈবা অমসুং শাজৎ-লিচত্তা ফিদমনিঙাই ওইবা ময়াম খঙনিং—য়েং-নিংদুনা লাক্লিবনি।" অসি হায়রমলগা মমল য়াম্লবা সনা, লুপা অমসুং মণিমুক্তাগী পুখম্‌শিং অদু নাকন্দা থৈদোক্তুনা থমলগা চাক-ইনশাং অমসুং শঙ্গোম লোদুনা নিংথৌনা হাখি।

চাবা থকপা লোইরবা মতুংদা মখোয় অনি, হন্দক ভারত অমসুং গ্রিস অনিনা নোনা মরী লৈনরকলিবা অসিগী মরমদা সুংঙাইনা য়ারী শাদুনা লৈরিবৈদা লৌউবা সুপা অনিথক চঙলক্তুনা খুরুমলগা নিংথিনা ব্যবহার তৌদুনা খুনগী অহন্দা য়াকৎলমই।

খুনগী অহম্না হংলকই "ইচাশা করি মরমগীনো হায়নিংবদা হায়য়ু?" মখোয় অনিগী মরক্তগী অমনা হায়রকই "ইপম্বৌ, ননাই ঐনা শোমগী ইনাওদগী থা অমা-রোমগী মমাংদা লম মচেৎ

অমা সনা তাঙ্গোয় তরাদা লৈজৈ। পোৎ খরা থাজগে হায়দুনা লম অদু খোইদোকচরুবদা। সনানা শাবা চক্ষু অমা কুমদুনা লৈবী থেংনজরুরে। মাদু ঐনা মহাক্কী লমদগী ফংবনি হায়দুনা মঙোন্দা পীবদা লৌ হায়বা য়াদ্রে। ঐনা লৈবদি ইখোন্দনি কুমললমলিরী পোৎ অসিদি ওদে। মসি মাগীনি, ঐগী নত্তে। পোৎ অসি মানা লৌখিনবা খরা তৌবিয়ু ইপন্থৌ।"

খুনগী অহল্লা অতোপ্পা মুপা অদুদা মহাক্কী মত কয়িনো হায়না হংখি।

"মুপা অদুনা খুমলকই ইপন্থৌ, ননাই ঐনা লম অসিগী অচাবা মমল লৌদুনা য়োপ্থোকচবনি, য়োনখিবা মুমিগুদগী হোনা ঐগী লম নত্রে, মাগী ওইগ্রবনি; সনাগী পাত্রা অসি ঐ লৌজ-রোই।"

খুনগী অহল্লা আলেকজেণ্ডরদা য়েংলকলমই অমসুং আলেক-জেণ্ডরনু মোমোন নোকলমই অদুগা মহাক করম্বা মওংদা বিচার তৌগদৌরিবনো খঙনিংলমই।

"ইবুংঙো, নহাক্কী নচা মুপা, মশক মতৌ ফজবা অমসুং লমচৎ শাজৎ ফজবা লৈ-লাকপ্রা হায়না অহল্লা অহানবা মুপা অদুদা হংলকই।"

"ইপন্থৌ, ননাই ঐগী ইচা মুপা অমা লৈজৈ।"

"অদুগা, ইবুংঙো নহাক্কী মশক মতৌ ফজবী অমসুং লমচৎ শাজৎ ফজবী নচা মুপী লৈ-লাকপ্রা?" হায়না খুনগী অহল্লা অনিশুবা মুপা অদুদা হংলকই।

"ইপম্বৌ, ননাই ঐগী মশক মতৌ য়াম্না ফজরবী ইচা মুপী অমা লৈজে"। হায়না খুমখি।

"অরে, অহু ওইরবদি, ইচাশা ইপা মা হায়গে! নহাকী মশক ফজরবী নচা মুপী অহু মহাকী মশক ফজরবা মচা মুপা অহুদা লুংহাংগো। অহুগা পৃথ্বি মাতানা পীনরকপিবা সনাগী পাত্র অদুনা নচা মুপীগী অউন পোং ওইনা উল্লো"।

অহনগী য়াখং তাবদা মখোয় অনিমক য়াম্না মুংঙাইরমই। অমমুং হরাও-হরাও য়ারমই। অদুদগী মখোয় অনিমক খুরুম-লমলগা চংখিরমই।

খুনগী অহম্না আলেকজেণ্ডরদা য়েংলকলমই। আলেকজেণ্ডর, অঙকপা অমমুং মুংঙাইবগী ঙমখে লৈখিদ্রে। আলেকজেণ্ডরনা পেনখুদুনা হায়খি "যুগ যুগ খুদি দা ভারতবর্ষগী মিংচং লৈহৌরসমু। মহাকী মচাশিংগী লমচৎ অমমুং ধর্ম্ম অসিদি তমদুনা থোকলোই অঙকপগী মশকনি।"

লৌমী অমসুং লমহূই

(অঙ্গমশুবা শাক্রী)

থাইনা মমাংঙৈদা খুল অমদা লৌউবা মুপা অমা লৈরমই। কুম অমদি মহাক্কী লৌবুক্তা চু যাম্না থারমই অমসুং যাম্নসু ফররমই। চু পাম্বীশিং অদু অশুক্কী মতিক চাউরমই, মাদুদি খুদাপনা লাকশিনবদা থুংলমদে অদুগা মহিসু যাম্না হোমলমই। অসুম থোকউ হায়না নোংদমখিবনা, লৌনম চাউরবা লমহূই মপৈ অমনা উখিরমই অমসুং চানিংবনা মতিল অর অর তারমই। নোংমগী অহিং অমদা মখোয় ময়াম লাক্কুনা চু অদু চাথোকলমই অদুগা থুদক্কুনা, চিকথক্কুনা গাঙহল্লমই। নোংঙাল্লক্লবদা মপূক পিক্ পিক্ থল্লদুনা মকোন্দা হনখিরমই।

লৌউবা অমসুং মচানুপা মখোয় অনিনা লমহূইনা মাঙহল্লমইবা চুয়াম অদু উবদা থম্মোয় শোক্লা কপলমই। কয়ি উপায় তৌদুনা লমহূইশিংবু থিংগদগে হায়বা খঙবা ঙমদরে। মমৈথংদা মখোয়না থৌরাং অমা পুথোকলে। অহিংদা লৌবুক্তা চংলগা মপা নত্রগা মচানা অচোবা পুঙক্লাও অমা য়ৈবদা কৈনা খোংবা অমসুং ঙংবগী মখোল মালহল্লমই। অহিং চুপ্পা পুঙ য়ৈদুনা লৈবা মরমনা কৈশিংনা ঙংদুনা খোংদুনা সৈরবা উমং অমগী মতৌগুমখ্রে।

লমহূই ময়ামসু চুফমদা কৈয়াম লৈরে খন্দুনা অমতা লাকখিদ্রে। লৌউবা মপা-মচাসু মখোয়না পুথোকলিবা লৌশিং অদু

নিংথিনা মহৈ য়ামল্লে খন্দুনা মপুকনিং সুংঙাইরমই অসুম তৌদুনা সুমিং কয়ানিমুক চুয়াম অদু লমহুইগী ময়াদগী কল্লমই। সুমিং খরগী মতুংদা লমহুই ময়াম মরক্তগী অহল ওইরবা শিংলবা লমহুই অমনা ঙংলিবা কৈ অদু য়েংগে অদুগা করিগুম্বা উপায় অমা তৌদুনা চুফমদগী তানথোককে হায়রিনা মহাক্কী মপুক্লিংদা লেপল্লমই। নোংমা অহিং অমা মহাক্না তুমিন্না লাকলমই অদুদগী, খোংলিবা কৈগী মাইকৈ রোমদা চংশিল্লমই। তৌইগুম্বসু মফম কৈদসু কৈ অমত্তা উবা ফংখিদে। কৈনা খোংবগী মহুত্তা অচৌবা পুঙজাও অমা কৈন খোংবা মাম্না লৌউবনা য়ৈদুনা লৈরম্বা থেংনরমই। লৌউবনা মখোয়দা অপঙবা নমথাক অমা তৌরে হায়বা নিংথিনা খঙথিরমই। মখোয়দা লৌউবনা নমথাক তৌরমবগী, নমথাক্না লমন শিংগে খল্লমই।

মথংগী অহি দা লমহুই হন্নুবনা লমহুই পুম্নমক খোমদুনা পুরকলমই। অদুগা মহাক্না পুংজাও অদু কৈনা খোংবা অমসুং ঙংবা মাম্না লৌউবা মপা-মচানা য়ৈবগুম, য়াম্না নিংথিনা য়ৈরমই।

পুঙজাও য়ৈবগী মখোল অসি লৌউবা মপানা তারমই। অদুবু মচাসুপানা য়ৈরিবনি খন্দুনা মহাক অহিং অদু লৌবুক্তা চৎখিদ্রে। লৌউবা মচাসুপা অদুসু পুঙখোল তারমই, মহাকসু মপানা লৌবুক্তা চত্তুনা য়ৈরিবা পুঙনি খন্দুনা মহাক লৌবুক্তা চৎখিদ্রে। মপা মচা অনিমক,'মহাক্না চৎলমগনি মহাক্না চৎলমগনি হায়না মহৈ মহৈ খল্লদুনা লৌবুক্তা অমত্তা চৎনখিদ্রে।

অঃসামদদি, লমহুইশিংনা লৌবুক্তা চঙদুনা মনিংমখা তল্লা

চানিংবতা চা তৌনিংবতা তৌ চোংতুনা ফদুনা, থুদেক্কনা চিংথুহনা; চু পুন্নমক পুম্নাও মাঙহল্লমই। ংখোয়গী নিংবা থুঙলদুনা. অয়ুক ওইরকলবদা লৌবুক্কী হনখিরমই।

অদুগ ঙাল্লক্লবদা লৌউবা মপানচা অনিমক লৌবুক্তা লাকলমই। অৱাবনি! লমহুইনা নমথাক তৌদুনা চু পুন্নমক মাংহল্লমবা থেংনরমই।

গধা অমসুং ষল্লাবা

(মরিশুবা ৱারী)

লৌউবা মুপা অমগী গধা অমগা ষল্লাবা অমগা লৈরমই। মখোয় অনিমক মপু অমগী মখাদা পূন্না থবক তৌমিন্নরমই অমসুং চান্নবা মরুপ ওইরমই মখোয়গী মপু লৌউবা মুপা অসিনা, গধানা তোংনরমই অমসুং যল্লাবনা লৌ খেয়নরমই।

অদুগ মা নুমিদা ৱাইরম অমদা গধানা ষল্লাবগী মনাক্তা লাক্লদুনা হায়রকই "ইতাও করম করম পাংবিরিবগে"? ষল্লাবনা খুমলকই "ইতাও ইবুংঙো ঐদি ৱারেদা, ইতাওনা খঙবিরিবদুনি, ঐখোয়গী মপু ইবুংঙোনা অয়ুক নোং হেক ঙানবদগী মুমিং তারমদাই ফাওবা ঐবু লাঙ্গোন চিংহন্দুনা কয়াদা অৱাবা পীরিবা, চোকপদুনা লোইরবা, মুমিংনা ময়ুম চঙলকপা মত দা ঐস্থ ৱানা ইয়ুম য়োজরক্লবদা চক্ক থুদাপ অমত্তা মপীক্কে, নিংথিনা চাবস্থ ফংদ্রে পোৎথাবস্থ ফংদ্রে। অৱাবনি, ঐগী পুন্সি। ৱাহৈ অদু

তাবদা গধানা মথল্লাই সুংঙাইতনা হায়রকই "ইতাও নঙগীদমক্তা ঐ য়াম্না সুংঙাইত্রে, করিগুম্বা থম্না হায়জগে মসি ইনবিয়ু, অল্লাবা শোয়দনা কোক্কনি। অদুগা ইতাওগীসু মরাল থম্না লৈ। মীনা হায়বা ইনমনব অসি অকবা নত্তে। মসিদা মহাক্না (মপুনা) খুদোংচাবা লৌখ্রে। মতুংদদি মহাক্না পিজরকপা চরু খুদাপ চাবিরুসু অদুগা থবক শুনবগী চিংথোকপা লাকলিবা মীশিং অদুদা পঙল্লাইদা ল্লাইবিয়ু, কাওসু কাওবিয়ু। মতুংদদি ষণ অসি য়াদ্রে হায়বা খঙলদুনা মরাইনা লুনা তৌজরগনি" মদু তাবদা ষণ লাবনা য়াম্না হল্লাওনা খুমখি "করে, মদুমক শোয়দনা তৌজরগনি।"

ওয়্যোকপনি মথোয় অনিনা শারিবা রারী অদু লৌউবনা তাথোকখ্রে, অমসুং মপূক্লিংদা নোকলমই।

অথংগী সুমিত্তা লৌখোইবা সুপা অদুনা লৌপুদা মল্লাবা অদু চরুসু চাদে, মনাক্তা চঙলুবা মী খুদিংমক কাওবগা ল্লাইবগনা মওং অমা তৌরে, হৌগৎলু হায়বসু য়াদে অনাবগী মওং মাল্লি হায়না রাকৎলরে।

লৌউবনা খঙলমই, মদুদি মল্লাবা অসি গধানা হায়বা পাউতাক ইল্লে। করে ঙসিদি মহাক খল্লা পোৎথাজরসনু অমসুং নিংথিনা চাজরসনু। মাগী মহুত্তা গধানা লৌখোয়নগে খল্লদুনা গধা অদু লৌবুক তাম্না চিংদুনা পুখ্রে, অমসুং লৌখোয়নবা হৌরক্রে। সুমিৎ চুম্না অদুমা মহাক লাঙ্গোন চিংলক্রে। মল্লাবগুম্না নিংথিনা চিংব হৈতবদগী ফুবদা মহাকী মশা অদু কামথৎলে। অদুগী মথক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা রারে। গধা, ময়ুম য়্যোরকপদা হিকথ-

তুনা তারে, মশা অদু শিবগুমলে। মথন্ত হায়রকই "ঐ শিরে ঐ শিরে, মসে ঐ ইশানা রাজগে হায়না নয়ান লেমনি। করিনুংগী যল্লাবদা ঐনা অদুগুম্বা পাউতাক পিশিল্লুরিবা? হয়েংগবু অসুম্বা মতৌরবদি ঐ শোয়দনা শিরগনি। করিগুম্বা অমা তৌদুন অরাথসি কোরুবা তৌদবা মাত্রে হায়না খল্লকই।"

মুমিত্তুগী অহিংদা যল্লাবনা গথাগী মনাক্তা লাক্লদুনা হায়রকই "ইতাওনা তাকপীরম্বা পাউতাক্তগী ওসি ঐহাক নিংথিনা চাবা অমসুং পোথাবা ফংজরে। ইতাওবু হন্না হন্না থাপৎচরি মতুংদসু করবা পাউতাক অসিদা অসুম চৎথজখিগ'নি।" মদু তাবদা গথানা খওপ্রেক খওলদুনা হায়রকই—"মাগুলে! মাগুলে! ইতাও অদুম্বা হয়েংসু চৎথরবদি, ঐখোয়গী মপু ইবুংঙোনা, থবক শিঙিম্নবা মাত্রবা যগদি থমলদুনা কায়দে, শা হাংফমদা পুংগা শদুম শদুম ওইনা য়োনথোক্কনি হায়বা পাউশভশেংনা তারক্লে, মথা অমুক চৎথবিরুগনু।" পুম্নমক লৌউবনা তারমই।

যল্লাবা অদু কিখিবনা মশা অদু থক থক নিকলমই। মহাকপু শা হাংফমদা পুদুনা শাদুম ওইনা য়োম্বোকনি হায়বা রাকম অসি তাবদা মতু চুংলমই। "ইতাও ঐবু মকম অদুদা পুদনবা করি পাম্বে লৈবগে? অমত্তদি তাকপিয়ু।" গথানা হায়রকই "অদু ওইরবদি হায়গুম্লা মখোয়না চরু পিজবা খুদাপ অদুক চাবিরো অদুগা থবকগুবা মী লাকপা মতমদা রাইবিরুগনু অমসুং কাওবিরুগনু হরাও হরাও মহোশাগুম্লা তৌবিরো অদুম তৌরগা ইতাওবু শা হাংফমদা কৈদৌমুংদসু পুররোই।"

অথংগী নুমিত্তগী হৌনা যল্লাবা অতু বেন্না-শিকা তৌখিন্রে। মপুনা হায়রবতা ইনপ্রে। মতু উবদা লৌউবনা ম্নাম্না লাওনা নোকলমই অমস্তুং মাগী নুপীদা যল্লাবা অমস্তুং গথাগী য়ারী পূম্নমক তমলদুনা নোকমিন্নখি।

উচেক অমসুং শামু
(মণ্ডাশুনবা য়ারী)

মাতম অমদা উচেক মচা অমনা অচৌবা উমং অমগী নুংদা, অপিকপা অমস্তুং অনেম্বা উপাম্বী অমগী উপালদা মহুম শাদুনা মরুম কোল্লম্মী। নুমিৎ থরনিগী মতুংদা মরুমশিং পোকথায়দুনা মচা ওল্লকলম্মী, মতু উবদা উচেক মমানা হায়নিঙাই লৈতনা হারাওরম্মী অমস্তুং নুংঙাইজরম্মী।

অনোংমদি অচৌবা শামু লমশা অমা লাক্তুনা উচেক মচাগী মহুম শারিবা উপাল মচা অতুদা অচৌবা মশা অতুনা ঙা-খেংলুনা শান্নরম্মী। উপাল মচা অতু মরু-মন্না ফুক্তোকদবগুম ফেরে-ফেরে হায়দুনা থাঙপ্রে। পিক্লিবা উচেক মচা মন্নাম অতু ঝিখিবনা পান্দমনিংঙাই লৈত্রে অমস্তুং চেক-চেক খোল্লদুনা থাওলম্মী। উচেক মমানা মাগী মচাশিং পূম্নমক লৈপাক্তা তাল্লুনা লাম্লদনা শিরগনি হায়না খল্লম্মী অমস্তুং মহাক্না পাম-

থয়ক্লদুনা শামুদা হায়জরকই, "উমং অসিগী মহুংদা খ্বাইদগী চাওরবা কয়বা শামু; ঐয়া হায়জনি; মহাক্না ঙা থেংলিবা উপাল মচা অদুদা ঐগী ইহুম অপিশক অমা শাজরি, ইচা পিশক মরাক্তা মহুংদা থৈরিংমখোয়গী পুন্নমক লৈশাক্তা লৈখায়রদুনা শিবা ভারে। চানবিদুনা উমং অসিদা হৌরিবা অভোম্বা উঁগ্রাম অসিদা ঙাবিমু থেংবিমু মহাকী পুক্নিং পেমবা।" শামু লমশা অদু য়াম্না থোয়রম্মী অমসুং নাপল ভৌরম্মী। পিক্রবা উচেক মচা অমনা মঙোন্দা অদুগুম্বা ব। ঙাংলকপদা মহাক য়াম্না লাওনা নোক্লদুনা কারেজরকই অমসুং চাওখোক্লা হায়রকই "হায়, উচেক মচা নঙনা ঙাংজবশারিবদু করিনো হৈ? তুমিৎকুম্বা নঙনা ঐবু অদু ভৌ, অদু ভৌগনু হায়না থৌদাবা করি নতিক লৈ। ঐনা ঙাংনিংবদা ঙাংগনি, থেংনিংবদা থেংগনি ভাবিংদে চৎথোকউ।"

অদুগনবা তুমিং অদুগুম্বা শামু লমশানা লাক্লুনা হায়রিবা উপাল অদু হায়রগা হেন্না উশিল্লবগা লোয়নগা ঙাথু থেংথুরম্মী। উচেক মচাশিং অদু কিমনগ্রদুনা থোংদুনা থাওলম্মী। মদু উবদা উচেক মমানা পায়থরক্লদুনা শামুদা হায়রকই "নহাক্না অদুম ভৌরগা ঐখোয়গী অরাবা ওই হায়বা খঙনা খঙদা খঙশিন্নদ্রে। কয়ে, হায়রিরিবগিনী! হৌথ্রবদি হৌথ্রে, করিগুম্বা অমুক হন্না মহুংদা ভৌরক্লবদি, মদুগী মতিক থোকপা লমব থুমগনি, অদুনা নঙগী য়াম্না অরাবা অমা ওইগনি, খঙজো।

অদু তাবদা শামু লমশা অদু ইশি-খিনা নোক্লদুনা হায়রকই "কয়াম সুর্যশুগ্রবদো, য়ুরানগুম্বা মঙদন্না ঐবু থপ ভৌবা শাগি।"

[illegible] পুত্রা চাওবা লোংশা কাওবা ইয়ানা কাওব্রেং লেংজুনা হাংপা ওবা ঐনি। নওগী নহম শাবিবা উপাল সুমিদা মুঙ্গংমন্থু ওাথু—থেংথুখিগনি। নওগুমনা ঐগোন্দা করি তৌজরগনি।

[illegible]নিগুবা মুমিৎ, অদুদম্ব হাময়ী মঙ্গোংওবা শামু লমগী অদু লাকুনা অচৌবা মণা অহন্না উপাল মচা অদুগা তরুম্বী। উচেক মমা, শাওবগী ওমৈগে লৈখিরে। লিরবঙ্গ চওরবম্ব মচারুনা ওবা থবক তৌরগে থম্বুনা হায়রকই "শামু লমগা। যৌঝিন্দি নওবু অমুক হমা ওাকপীবগী ঐগী থম্মোয় লৈতব্রে, নওগা কন্দা থবক তৌবগী মতিকথোকপা অরাবা কয়রো।" অদুদি হায়রকপা মহাক্না পোকউেদগী তমজরক্কবা পাইবগী—হৈজিবা [illegible] মাওনা পাইবা পুন্নমক শিজিন্নরদুনা, থুংলৈ থুনা উচেক "মমা অদু শামু লমশাগী অচৌবা মনাকোং মঙুংদা পাইশিনখিরম্মী।

অনাকোং মঙুং থমগেংনা পাইশিনখিদুনা মহাক্না মগ্রাকন্দু পুন্নমক পুথোক্কনা মাশা, মচিন, খুজিম্মা ফুগা, চিকপা অমম্ভং থোংপা হৌরক্লে। পিক্রবা উচেক্না তৌরক্লিবা থবক অদু কমবা অমস্ভং চ.উরবা শামু লমশানা মিংকুপ অমা কাওবা থাওবা ওবনী পাঙ্গল লৈরমদে। মপোকউেগী অচুক অয়াবা থেংনখিত্রি। পিক্রবা উচেক্না পীরক্লিবা চৈনাথোল অদু থাওবা ওমলক্কদুনা কোয়চেল চেন্দুনা লাও-থোংদুনা থাংবা হৌরক্লে। মকোক হাইদুনা মনাতোম্মা ঈশিং মুংশিং কামশিন্দুনা অমদি উজাওদা মকোক অদু কয়া থেংজিন্দুনা অদুগা অতোপ অতোম্মা উপায় কয়া

পিজিরদুনা উচেক পাইথোকখিনবা হোৎনরম্মী অঙ্গম্বু পুরাক্লগ অরেম্বদা তারম্মী।

উপায় লৈরক্তুদুনা মমৈথংদা খুরু-খুদক কুম্লদুনা মমা অনি লৈবাক্তা খুমনা "মৈশিলদুনা" উচেক্তা হায়জরকই, "উচেক মচা! ঐবু ঙাকপিয়ু, ঐ নঙগী নকমদা যাম্না লানবে। মতুংদা নঙগী মহৃম শাগিবা উপালদা অমুক হন্না ঙাবা থেংবগী থবক ভৌজরোইহি। নঙনা নাকোংদগী খোক্রক্তুনা ঐগী অরাবসি কোকহনবিয়ু। নঙনা পীরিবা অরাবসি অমুক কুইখনা খাঙবগী ঐগী পাঙ্গল লৈত্রে, ঐ শিগদোরে, ঙসিদগী হোৌরদুনা নঙগা ঐগা চাম্নবা মরূপ ওইনম্নসি। "ঐ লাকে।"

অঙ্গম্বু তাবদা উচেক মচা অদু শামু লমশাগী মনাকোং মখুংদগী পাইথোরকলে অমসুং হায়রকই, "কয়ে, ঙসিদগী হৌরদুনা ঐখোয় অনি চাম্নবা মরূপ ওইরসি।"

মতুংদা অদুদগী মখোয় অনি চাম্নবা মরূপ ওইরদুনা অমনা অমগী অরাবা অমসুং মুংঙাইবদা মতেং পাংনবি।



নিকোলাস অমসুং ওয়েক

([illegible])

মতম অমদা, 'নিকোলাস অমসুং' ওয়েক হায়না কৌবা মনুপা মচা অনিথক ইংলণ্ডগী স্কুল অমদা লাইরিক তমলমই। মখোয় অনি য়াম্না চান্নবা "মরূপ ওইরম্মী।

ঙোাংমা মখোয় অনি ওমা স্কুল কায়মই অদুগা মুংঙাইনা ক্লাস মপুংদা তায়দুনা শাম্নরম্মী। মতম অদুদা, ছাত্র অমদি ওবা অমত্তা স্কুল কানয়কলমদ্রি। ইনৌ নৌনা মখোয়গী কা অদুদা অহনবা ফজরবা ফিজং অমা থম্লম্মী। মখোয়না অদুম শাম্নরমবদগী ইথঙ্ থঙ্হৌদনা, ওয়েক্না ফিজং অদু থংজিং চিংলুরে। ফিজং অদুগী নাকল থম্না শাথিনা শেগায়রে। মখোয় অনি মথম্নাই য়ানরে। ওবা লাক্লগা শোইদনমক চৌবীরগনি অমসুং দণ্ড পীররগনি হায়বা তশেংনা থওলে। শেগায়রিবা শরুক অদু থুপচিন্দুনা থমলে। অদুগা মখোয় অনি থুনা য়াংনা মপান্দা চেম্থোকখ্রে।

ঙাইহাক লৈরগা স্কুলগী কাংশি ঋেরক্লে। ছাত্র পুম্নমক ক্লাস মপুংদা চঙলক্লে। মিনিট থরগী মতুংদা মখোয় মকোকনা ক্লাসতা ওবা চঙক্লে। অরাবনি! মখোয় অনিনা থুমজিন্দুনা থম্লিবা শেগায়বা ফিজং অদু ওবানা থেংবরুরে অমসুং ছাত্র ময়ামদা হংলকই "কনানা ফিজং অসি শেগায়।" ছাত্র অমত্তম্

খুমলকখিত্রে। ভুমিন ভুমিন কয়ড়ুনা লৈনখে। মকোক কাপ্পা হাইনখিত্রে। ওবা অদু মমাই থাংশু থাড়রড়ুনা, মৈ হোৎথৰ শাওরড়ুনা ছাত্রশিংদা চোংথোককনজে বদি মখোয় পূন্নমক দণ্ডি পীগনি হায়রমই।” মদু তাঁবদা নিকোলাসনা লেপথংলড়ুনা হায়রকই, “ওবা ইন্স্পেক্টৰ, মদু ঐরা শোয়রড়ুনা শেগারগনু বনি। মরাম য়ুক্তি চৈদা ঐ ইথক মকম অসিদা শায়কৰমই, অদুহোদনা চিংলুবদা শেগায়খ্রে, শোয়রখু বনি।”

“ঐনা, ওসাই ইহান হায়বা হংবদা করিগী লোত্তুনা লৈরি। মতম অড়ুদা হেক হায়দোকপা য়াত্রা।” হায়না ওবানা শাওনা হায়রকই। নিকোলাসপু চৈবিরে অমসুং দণ্ডি পীবিরে। ওবানা চৈবা অমসুং পীবা দণ্ডি পূন্নমক নিকোলাসনা থোনা কনা অমসুং চিংনবা লৈতনা মায়ৈনোং য়াখি।

সুমিৎ অড়ুগী সুমিদাংবাইদা ওয়েকনা নিকোলাসকী মনাক্তা চংলক্লুনা মমিত্তা মপি তরং তরং চেলড়ুনা হায়রখি “সুংশিরবা মতুং, ঐনা কংগদবা ইকাইবা অমসুং দণ্ডি পূন্নমক খুংনা কয়ে। মতম অড়ুদা অচুম্বা হায়দোকদবা অদু ঐনা ওয়োক্তা কিখ্রে। ঐগী থম্মোয় অসি য়াম্না য়াগ্রে অমসুং সুংথাইখিরে। মরামগী ওসি ঐনা অচোবা পাম্না অমা তৎজবে মড়ুদি ওসিদগী হোৎরড়ুনা অচুম্বা থাংবা অমসুং থোনা কবগীদমক থবাই হকচাং য়াওনা হোৎনজরগনি।

“অড়ুগীদমক থোইনা য়াবিরগনু, কা হেনা কনা থরক ভৌখিবা নত্তে। হোৎরবদি হোৎখ্রে” হায়না ওয়েকনা হায়খি।

চহি থরগী মতুংদা মখোয় অনিমক স্কুল তথা লোইরক্লুনা মাগী মাগী পুন্সিগী থবক ভৌলগে; অদুম তৌনা চহি কয়া হোৎলে।

(ii)

চার্লস কাইনা ইংলণ্ডগী নিংথৌ ওইরম্মী। মহাক্না মহাকী প্রজাশিংগা থৎনরম্মী। মহাকী লৈবাক, ইংলণ্ডদা কাংবু অনি থোক্লম্মী। কাংবু অমনা নিংথৌনা লুচিংবা ওইরম্মী; অদুনা অতোপ্পা কাংবু অমনা, ক্রোমওয়েল হায়বা কোবা মতিক মগুন লৈবা নুপা অমনা লুচিংলম্মী। মখোয়শিং অনিনা নিংথৌবু য়াম্না য়ানিংলমদে। নিকোলাসনা নিংথৌগী কাংবুদা য়াওরম্মী অমস্থং ওয়েকনা ক্রোমওয়েলকী কাংবুদা য়াওরম্মী। ওয়েককী অচুবা ভাংবা, অচুবা থবক তৌবা অমস্থং মখোকা লৈনবীনবক ক্রোমওয়েলনা য়াম্না চান্নম্মী। অদুম তৌদুনা কাংবু অনি অসি মতম কুইনা থৎনরক্লবা মতুংদা (মরৈথংদা) নিংথৌগী কাংবু অসি ক্রোমওয়েলনা লুচিংবা কাংবুগী মখুত্তা শাখিনা মায়থীবা ফংলম্মী। নিংথৌগী কাংবুদা য়াওবা মী পুম্নমক কৈথেলশংদা (জেলদা) থম্লম্মী। মখোয়বু বিচার তৌরবা মতুংদা অমমদ ওইনা হাৎতোকলম্মী। ক্রোমওয়েলনা ওয়েকপু বিচারপতি ওইনা থাপলম্মী। মহাক্না বিচার তৌরগা মীশিং অদু হাৎ-তোকউ হায়না য়াথং পীরম্মী। মহাকী বিচার লোয়শঙ (কোর্ট) অদু মহমদগী য়ায়া লাপ্পা মফম অমদা লৈরম্মী।

অনোংমগী লুমিং অমদা বিচারপতি ওয়েককী মমাঙদা নুপা অমা বিচারগীদমক পুশিল্লকখি। পুশিল্লকলিবা নুপা অদু [illegible]

মপুক মুমা থগৎলম্মী তোইগ্রবসুং মুপা অদুনা ওয়েকপু মপুক থগৎখিদে। বিচার অদু য়াম্না থুনা লোইখিদে। বিচার অদুগী মতুংদা, নিকোলাসপু হাংদু হায়না য়াথং পীখে। হাংকদবা মতমদা মথংগী মুমিংকী মপুক অঙনবদা ওইরম্মী। বহিঠ্রু পুথোকখিরগা লোইননা মহাক্কী বিচার লোইশনবু থোঙ শিংখে।

ওয়েকনা মাগী চৈনিবা শগোল মরাকপগী মনুংদগী থাইদগী কপবা অমসুং য়াঙলবা শগোল অমা থমগা, ক্রোমওয়েলনা চৈরিবা লণ্ডন সহর জায়া থুনা য়াঙনা থৌথিরম্মী। মহাক্না চংকদোরিবা [illegible] অসি ওহোক্না শাংথবা লাক্লম্মি। অদোম্বা চৈতবা শগোল পুরুপ থাবা কৌখে। য়ারা খেঙনা সুবিদা য়াইদা, ক্রোমওয়েলনা চৈনিবা লণ্ডন সহরদা ওয়েক থুংলরে। ক্রোমওয়েলনা মহাক্না লেপ্পক্লা; নিকোলাসকা মহাকা অঙাং ওইরিঙৈদা কুপ তমখিন-নবগা, লোংবা মথোত্র মনি শাম্বদা কিবুং লেপ্পাক্লিবা, ওয়ানা মনুক্লবক নিকোলাসপু থিদা চৈবিশিবা অমসুং অকনবা মপি পীরিবা, মরাপকিমকনি কনুনা নিকোলাসনা অয়াবা পুমমক থৌনা কনা থাঙখিবা। মতুংগী মহাক (ওয়েক) না অকুপা ভাংবা মখৈ প্রোবা কনগী য়ুমল য়াম্না অচোবা শারা অমা তমখকতনা মহাক্না (ওয়েকনা) কমি অয়োবা মীশক অমা ওইরকখিবা, য়ারী পূরুপক ক্রোমওয়েলকী মফমদা তমখি। কুমেদা ওয়েকনা ভৌমিরুপ লেপ্না [illegible] মশেংবা অরূপ মুথিবা [illegible]না নিকোলাসকী মচা [illegible]।

"ওয়েক্লা; মরূপ নিকোলাসকী য়াইহিবু, থবাই হকচাং অমসুং পুক্নিং অমত্তা ওইনা নিজরকুবদা ক্রোমওয়েলনা হায়রকই "ওয়েক। নঙনা হায়রবদা ঐনা য়ায়োইদবা করি লৈ?"

মহাকী মনাল পুরমক ওাকলিত্থনা থাকোকপিরো। মমাক খুংঙাইরবা পুন্সি অম ওইরমমু মমসুং পুন্সি খুংগাংনা মপুক্নিং লৈত্তানা শানবা ওইরমমু। ওয়েকনা ক্রোমওয়েলবু থাদোক-লমদুনা শগোল তোংথৎলকপা মতমদা মহাকী মপা অদু য়াম্না চোকথরম্মী অমসুং বাররম্মী। থিন্নবা য়াম্না থবক নত্তে খুন্নুং থুনা য়াঙনা শগোল থৌরক্লে। অহিং লোয়নবা য়েংবনপা মতমদা ঙরোইদি ভম্বাইদয়ক মচাক্লি। অদুবু মহাকী হকচাংদা কৈয়ামুং খুদিংমক মনিং মথা তমনা শিজিন্নবা ঙমজকত্রে। মসিং নিংনিংদা উরক্লে অমসুং মর চনিং চমাং শজবরকত্রে। কয়াম্না খুমিথৈবা মথাওনা নিকোলাসপু হাৎলগনি হায়রবী থাখন্দা মহাক শগোল মথক্তা কুমথদুনা ভাইহাক পোথাদুনা চাংথকতুনা লৈখোকে হায়বা থাখল অসি পুমথা থাদোকখে, অমসুং শগোল মথক্তা কুমথবা মরৈখিত্রে। শিরবদু শগোল মথক্তা অমম্ম শিরবে হায়রবগী থাখন্দা মপুক্নিং হনবা লৈত্তনা শগোল চুক্নি খুত্থন চেৎনা পাংথরুনা, মথা অদু মমাংলোমদা তায়থরুনা, মথা কুক কনক চিক্নুনা মরূপকীমক থবাই কংকে শন্দুনা তেংথৈরুক খাওনা খানুনা-থৌরক্লে। মতম অসি লোৎয়াইবনী কনা খাবা হেন্নোমক্লে, লোংঙাবগদবা পুং থরতা মঙাইরে।

ক্যোংঙাল্লকপা মতমদা, উচিন-নাচিন্না ওয়েক, নিকোলাসনা লৈরিবা কৈশুমশঙদা থুংলরে। মহাক্না থুংলবা মতমদা, নিকো-লাসপু হাৎপগী পুংকম য়োমহুনা কৈশুমশঙগী থোঙ হাংদোক্লমই। ওয়েক্না শগোল মথক্তগী হেক চোংথরগা চেনশিনখিহুনা নিকো-লাসভা চেক্কেৎ কোল্লমী। অহিং দুংখিন থাক্তনা, চাদ-খক্তনা অমত্তুং তুমদনা লমথাং চৎলকপগী অহাবনা জ্ঞান মাঙহুনা অমদি বা ঙাংবা ঙমদনা মরূপপু কোম্ম্বা লৈখ্রে। নিকোলাসনু "কনাদো, কনিনো" হায়বা য়াখল্লা লেপ্পুনা লৈরে! মতম অদু কাওবা নিকোলাসনা ওয়েকপু মশক খঙহি। ঙাইহাক লৈরগা, অয়াবা থয়া হন্দোক্লহুনা ওয়েক্না য়াম্না য়াবা মতৎ-মতৎ ঙাইদা য়ৌহেবা হায়রকই "মরূপ, ঐবু খঙত্রবরা? ঐ ওয়েক্নি! ঙরাং মরূপপু ঙসি অয়ুক হাৎপগী য়াথং পীখিবা দুগা অদু ঐ ইশামক্নি। মদু ঐগী তোকপা থোকপগী তৌখিবনি। তৌইভনহ্নং, ঐনা করবগী য়াথং পীবা। ঙমদবা মরমনা, ইকাই খুম্মনবি মশক ওইরবা ক্রোধওয়েলগী মকমদা মরূপপু করবগী য়াথং তৌজরিবনি। য়েংখিবু করবগী য়াথং অপিদা লৈরে।" নিকোলাসনা কুম্বিংখাওদগী পুথোক্তনা ওয়েক্ত উহল্লে।

নিকোলাসনা ওয়েকপু মশক খঙলম্লে। মথোয় অনি মমিত্তা মপি তরং তরং চেম্রহুনা, মতম কুইনা কারনক্লবা মরূপ অশুক হয়া উনবগী নুঙাইবনা খুমহৎখিহুনা বা ঙাংথোক্লবা ঙাকশিন্নে মপাথোক অদি তিংথোক্লহুনা চেক্কেৎ কোয়খি। ওয়েক্না মহুৎ-তা নিকোলাসনা নুমিৎ কয়ানিসুক জরী ফাত্তাই শানবীবা নুঙাইনা লৈমিন্নখি।

চা-য়োনবা অমসুং খ্যেং

([illegible])

মতম অমদা চা-য়োনবা শুপা অমা সহরগী অমদা লৈরম্মী। মহাক য়াম্না লায়রবা মীনি মরম অদুনা মাগী থবক অদুদা থাদনবা শেল লৈতদুনা অপিকপা কা মচা অমদা চাগা থকংবা তল (ঘী অমসুং থাউ য়াওদনা হৌবা তল) গা য়োনরম্মী। মহাক পূকচেল শেংবা থৌজাল হৈবা মুপা অমা ওইরম্মী। কমাওম্না অরা-অনা লাকপদা ওমজবা দাম তৌথোকই। চাকথিবা মী লাক্লগা মহাকী লৈজরিবা চা অমসুং তল পিকশিনখ্রূনা পেজহল্লমই। ভূমফম হিপফম লৈতবা লাইরবা মী লাক্লমম্, মহাকী অপিকপা কা মচা অদুদা পুশিন্দুনা লৈহল্লি অমসুং পোশাহল্লি। অদুগী মমল লৌরমদে। মহাক শেল য়াম্না তানবা ওমলমদে. অদুবু মহাকী নোংমগী কংলক্লিবা য়ামত্রবা শেলদোং থম্না অদুনা পেল্লরম্মী অসুম্না মহাকী পুন্সিঅদু মুংঙাইনা লেপ্লমই।

ভাক্লিবা মুপা অমা মুমিৎ খুদিংগী মহাকী দুকান অদুদা লাক্লম্মী। মহাক্না চাকনিবা মুপা অদুদা মুমিৎ খুদিংগী চা পিনাস অমগা তল মপাক অমগা হেক হেক পীরম্মী। অসুম ওইদুনা চহি থরা হৌখ্রে।

কোয়াহমগী মুমিৎতা চাকনিবনা চা-য়োনবদা হায়রম্মী "ঔজা, মহাক অসি য়াম্না লাইরবে অদুবু ওহোক্লা মীসুংশি থখ্রে, অমসুং

থৌজাল হৈখ্রে। নত্তনা, 'ঐবু নুমিৎ খুদিংগী চা অমমতং তল পিজদুনা ঐগী থৱাই হিংলক্লি। ঐদি য়াম্না লাইয়বা ভোল্লবা মীনি; অদুগী মতিক চাবা মমল পীজনিঙাই নৈজদে, কয়িনা লমন শিংগনি?" চা-য়োনবনা হায়রকই "ইনাও ইবুংঙো অদুগী-দমক কংয়িমতা থল্লুনু, ঐদি অৱা অন দগী শেল লৌমিংদে। ঙমদনা তৌবশি, মখোয়গী মতেং য়াম্না পাংনিংই। চাকনিবনা হায়রকই "তাবিয়ু তাদা, তাদগীদমক ঐ কয়িগুম্বা থম্না তৌ-জগে, ঐ লাই য়েকপা হৈজে। লাই য়েকপদা চঙগদবা অকবা মচু (মং) মথল মথল থম্না পীবিয়ু, কজরবা ৱাহোং লাবা অমা নহাকী কা অসিগী কল্লাংদা য়েকচরমগে। য়েকদৌরিবা ৱাহোং অসি অঙকপগী মশক্লি। মহাক্না শোয়দনমক তাদবু মতম থরগী মতুংদা ইনাক খুনহল্লমগনি। চা-য়োববা মুপা অদু য়াম্না হরাঙরগী "য়াম্না ফরে, নঙোন্দা ঐনা লাই য়েকপদা চংগদবা মথল মথাগী মচু পীরগনি"। অসুম হায়রদুনা অকবা অমমতং কজরা মচু নৈরদুনা চাকনিবদা পীখ্রে। চাকনিবনা চা য়োনবগী কা মচা অদু নিংথিনা গুমু হায়জিনবিরে। ঙৌয়োক ঙৌরবা কল্লাং অদুদা চাকনিবনা চাংদম্লিঙাই নৈতনা কজরবা ৱাহোং লাবা অমগী মূর্ত্তি য়েকপা লোইখ্রে। হায়রিবা ৱাহোং অসি য়েংবদা ঙহোরা ফজখ্রে। পৃথিবীগী মতুংদা খুইদগী ফজনা ৱাহোং অমা পুরক্তুনা কল্লাং অসিগী মনাক্তা লেপকদুনা থকতুনু নিংখ্রে। য়েক য়েংবদা অহিংবগুম থোক্লকতুনা শগোই শারগদব-গুম্ব লিপ্লিরে।

ঙেক্কপা লোইরবা মতুংদা মহাক্না চা য়োনবদা হায়রকই: "তাদা ইবুংঙো য়েকপা লোইজরে। মসি অঙকপা মথক্‌লগী য়াহোংনি। মকম অসিদা মী য়াম্না চা থকপা লাক্‌লুনা তিন্নরবা মতমদা খুবাক অহুমলক খুবিয়ু, য়েকলিবা য়াহোং অসিদগী থাঙ্গৎশেংবা য়াহোং অমা থোক্লক্‌লুনা শোয়দনা জগোয় শাক্কদবনি। অদুগা, নোংমদা তোঃইনা কৌথোকপিগনু. নত্রবদি য়াহোং মথাঃ চোকথগনি।" চা-য়োনবনা খুমখি, "য়াম্না ফয়ে তোইনা তোইনা কৌথোকলোই।"

নোংমা মাগী চুকান্দা মী য়াম্না তিন্নমী; মথোয়দা য়েক-লিবা য়াহোং অদু য়েংহনম্মী, অদুদগী মহাক্না খুবাক খুদলা থাঙ্গৎ শেংবা ফজরবা য়াহোং অমা থোয়রক্লুনা জগোয় শাবা উমদ মীপুম খুদিংমক পুমণ্ডক ঙকনখি। অদুদগী ঙাইহাক লৈরগা তপ্না তপ্না চণ্ডখিদুনা মাগী লৈকমদা হনজিনখি। মদু উমদা মীপুম খুদিংমক পুমণ্ডক ঙক্লখি। "কয়ি মতৌবো অসিদি," ফজত্রেদা, হয়েংস্রু ঙ্গুয়েংশি" অসুম হায়নদুনাময়ুম ময়ুমদা হল্লখি।

অঙকপা পাউ অসি সহরদা লৈরিবা মী খুদিংমক্না তাম-ল্লম্মী। অদুদগী সহর অমদগী সহর অমদা লৈবাক অমদগী অতোপ্পা লৈবাক অমদা পাউ অসি য়াম্না থুনা শন্দোক্লম্মী। নোংমা-নোংমগী মহাকী চুকান অদুদা মীশা চিকত-চায়কদাঃ ঙক্লমথৈ তিন্নরে। অঙকপা য়াহোংনা অঙকপা জগোই শাক্ক য়েঙলিংবদগী মীগী চুকান্দা তান্না পীদুনা লৈনবা য়াওক্লরে। নোংমা-নোংমগী মাগী চা, তল শিংপা হেনগৎলক্রে। অচৌ-অপাম)

মী কয়ামা য়াহোং জগোই শাবদা শেল য়াম্না য়াম্না থানরক্লে। "মোয়ায়েনবী জগোই শাবিনা শাবা জগোইবুদি য়াহোংনা শাবা জগোয়রদা হেন্নি" হায়নরক্লে। য়াহোংগী মখোংদা মপুম্ থাংজম্মী, মচুগী মখোয়া য়ান, য়ান হায়বা পুক্লিং হুরবা মখোল থোক্লম্মী। মপানা অমুক অমুক হুমক্রপদা হারমনিয়মগী খোঞ্জেল-শুব মুংশিনবা মখোল থোক্লম্মী। মথল মথাগী মচু য়াওরবা চাওরবা শাংলবা মমৈগী মতু ময়াম অদু কন্নোক্লকপা মতমদা অচৌবা কৌয়ামুক পাক্লম্মী। মপুম-মরৈ ফারবা মতক অতুনা অকুপ্পা জিলাওয়া থেক্তোক থেকচিন শাক্লরকই। মচু উবদা মী খুনিংমক অয়াও অয়াওবা শেল থানরমই। সুমিৎ থরনিগী মনুংদা চা-মোকবা সুপা অদু শেল য়াম্না পায়বা মী অমা ওই-রক্লে। মহাক নোংম-নোংমগী শেল পায়বা মীশক ওইরক্লে। নোংমদা তোইনা তোইনা য়াহোং কৌথোক্কুনা হয়া হয়া জগোই শাহনবা হৌরক্লে। মহাক ইনাক খুল্লকপগা লোয়ননা মহাকী থম্মোয়দু হোংখ্রে। মহাক য়াম্না পোংথোকপা, চাওথোকপা হৌরক্লে। মহাকী মমাংঙৈগী পুকচেল শেংবা, মীমুংশি থওবা, লাইরবশু কৌজালবগী য়াথল পুম্নমক থাদোকখ্রে। লাইরবা চাক্লিবা লাক্লগা মহাকী মীনাই অমসুং হুই থাজিন্দুনা কোইতাব তানহানবে। মহাক লেলদা য়াম্না চোয়া অমসুং ফত্তবা মীশক অমা চপ চানা ওইরক্লে য়াহোং অদুবু মখুৎমক্তা য়েক্লবা চাকলিবা অদু মাঙকনা য়াম্না শাথিবা মওংদা তৌরক্লে। মাহুদা মহাক (চাকলিবা.)= অদু শাওরক্লুনা তৌবিমল খজদবা মী অদি পায়া-

অমা ভুমিয়গে থম্লদুনা মথাক্তা য়েক্লিবা রাহোং অদুদা, চা-য়োনবা লুপানা খুবাক খুদুনা কৌথোক্লকপা মতমদা, অমুক হন্না থোকুমু-রগনু হায়খে।

অথংগী সুমিত্তা, লৈবাক অদুগী নিংথৌনা মহাকী মহারাণীগা লোয়ননা বর মন্ত্রি, সেনাপতি অমসুং মনাই মশিং ময়াম্না পৌগল তৌরদুনা অয়েকপা রাহোংনা থোক্লক্কনা শাবা অওকপা ভগোই মিয়েং তাবা লেংলকলম্মী। চা-য়োনবনা নিংথৌগী সনা মাংদা, হায়দগী য়াম্না হেন্না কজরবা ভগোই শাহনগে থম্লদুনা খুবাক খুরকই। অদুবু রাহোংদি থোলক্কে। হন্না হন্না খুবাক খুরক্কে। রাহোং শুকথোক থোক্লক্কে। চা-য়োনবা মথরাই রারক্কে। খুবাক কন্না কুইনা খুমন্দুনা মথুং অনি অদু পুমথাং থাংলদুনা মখুবাক অদু পুমথা থাগৎখে। খুৎচা অমমম্না, উতুপ উতুপমুক চাওথংখে। অদুবু রাহোংদি কন্নাই? অয়েঙদা তাখে। অদু উবদা নিংথৌ অদু য়াম্না শাওরক্লদুনা হায়রকই-"হায় চা-য়োনবা, থাদুবালা, মীগী মমিত্তা চলাক তৌশিন্দুনা লাই-রবা প্রজাশিংদগী শেল লোথোকপা।" লৈবাকী হন্নানবা, নঙনা মহাল মথৈ লৌনম তৌদুনা লাইরবা প্রজাশিংদগী মৎখিবা শেল মথৈ ঐনা নঙোন্দগী অমুক মৎকনি "অসি হায়দুনা চা-য়োনবগী" হেক লৈরিবা শেল মথৈ নিংথৌনা মতুনা পুখে। অদুগী মথাক্তা নিংথৌগী অচৌবা দণ্ডশু কংখি।

চা-য়োনবা লুপা অদু ওথোকপা মওংখিনা লাইরবা মী অমা ওইরে। খুনমক, মহাক চাকনিবা মীশক লৈরক্লে।

"মমৈথংদা মহাক খওলক্লে অগম্লুং মথন্তু শোক্লমকই "ঐদা অসিগী ফিভম য়োৌখিৃবা অসি, অন্না-অনং মওং থিনা তৌরুবদগীনি।"

——— —

অফবা থবক্কী মহৈ

(নিপানগুবা য়াক্লী)

মতম অমদা খুঙ্গং অমগী চিদায়দা অপিকপা য়ুম মচা অমদা হনুবা-হনুবী মতৈ-মনাও লৈরম্মী। মখোয় অনিমক ইচম চমলম্মী, পূকচেল য়াম্না শেংলম্মী, মতম পুম্নমক্তা মোমোন মোমোন নোক্ত,না মীগী-মতেং পাংবনা মখোয়গী মুংঙাইজগা ওইরম্মী। মখোয়গী মচা-মশু শাগে-নাতৈ অমত্তা লৈরমদে। মখোয় অনিগী লৈজরিবা হায়ববু অহল ওইরবা ষণবী অমনা লোইরে। মতুমু মখোয়না লোইবা ওমত্রদুনা য়োম্থোক্লসি হায়না খন্নরদুনা অনকপা সহর অমদা পুনবগী থোক্লাং তৌরে। নোংমা হনুবনা সহরদা ষণ য়োম্থোক্লবগীদমক চিংদুনা থোক্লক্লে। হনুবীসু ফনা শাংনা মতুং ইমররুম্মী। মহাক্না লৈহৌরগদাইদা হায়রকই "তা-বিরিবরা, সহর হায়বা অসি ফত্তবা মী য়াম্না লৈবনি, মখোয়না নমথাক তৌথিগনি. চেকশিনবিয়ু।" হনুবনা খুমখি "কনাগুম্বা তৌগমবনো, মখোয়না ঐবু নমথাক তৌবা মতিক্লা ?"

খরা চৎলবা মতুংদা মী কুণ্ডনা তাশিল্লকলে, লম্বীদা মী য়াম্না চৎলকলে; মী তিনবা লাণ্ডবা থেংনরক্লে অমসুং সহর য়ৌরক্লে। মহাক্না মথং মথং লাক্তুনা অচৌবা কৈথেল য়ৌরক্লে। হনুবনা শগোল চিংদুনা চৎপা মুপা অমা উরদুনা হায়রকই "মরূপ চানবিদুনা ঐগী যণবী অহন অসি লৈবিরো ?" মুপা অদুনা খুম্নকই "যণবী অদু য়াম্না লৈনিংই অদুবু শেল য়াওদ্রে। ঐগী শগোল অসিগা শিন্নবা য়ারবদি শগোল অসি লৌহোরো অদুগা যণবী অদু ঐণ্ডোন্দা পীরো ?" হনুবনা খল্লকই "শগোল অসি য়াম্না ফৈ মসিনা গাড়ি চিংনবা কান্নগনি।" অদুম খল্লদুনা মাগী যণবীগা শগোলগা শন্নরে। হনুবনা শগোল পুদুনা চৎলকলে।

খরা চৎলক্লগা মহাক্না খঙলক্লে মদুদি শগোল অদু মমিৎ নামা ভাঙলে। মহাক মথক্লায় ব্লারম্মী অমসুং য়োম্হোক্লিংলম্মী। খরা চৎলগা গধা চিংদুনা চৎপা মুপা অমা থেংনরম্মী। মুপা অদুদা হনুবনা হায়রকই "ঐগী শগোল অসি য়োনজরি, নহাক্না চানবিদুনা লৈবিযু।" মুপা অদুনা খুম্নকই "শগোল অদু লৈনিংই অদুবু শেল য়াওদ্রে, ঐগী গধা অসিগা শিন্নবা য়ারবদি শগোলদু ঐণ্ডোন্দা পীরো অদুগা গধা অসিনা নহাক লৌরো ?" মমিৎ তাণ্ডবা শগোলদগীদি অফবা গধানা য়াম্না হেন্না কান্নে। মসিনা পোৎলুম পুনবদা শিজিন্নবা য়াগনি।" হনুবগী শগোলগা মুপা অদুগী গধাগা ওন্নরে। খরা চৎলগা গধা অদু য়াম্না অপণ্ডবা অমসুং অতনবা শানি হায়বা খঙলকলে। খরা চৎলগা ক্রুং ক্রুং হেক কাও অমুক হেক কুম্থু, মহাক অদু য়াম্না পান্নক্লে অমসুং য়োম্হোক-

নিংশক্লে। খরা চৎলগা য়াও পুবা সুপা অমা থেংনরম্মী। মহুদা মহাক্না হায়রকই "মরূপ নহাক্না চানবিদুনা ঐগী তমবা কাওগনবা গধা অসি লৈবিখ্রে।" সুপা অদুনা খুমকই "গধা অদু লৈনিংই অদুবু শেল য়াওদ্রে। ঐগী য়াও অসিগা ওমবা য়ারবদি ওমরসি।" হনুবনা খমকই "কাওগনবা অতনবা গধাদগিদি য়াওনা হেন্না কাঙ্গে। মসিগী মতুনা শায়ুতুগী ফি শাবগা নিংথমথাগী অম্রিংবদগী কম-ব্রগনি।" হনুবগী গধাগা সুপা অদুগী য়াওগা ওমরে। খরা চৎলগা য়াও অদু মখোঙ নামা তেকই হায়বা খঙলক্লে। খোঙথাং খুদিংগী য়াও অদু পুনত্রে পুনত্রে তুরম্মী। মদু উবদা মহাক মথম্নাই য়াম্না রারম্মী অমসুং য়োম্থোক্লিংলম্মী। মহাক্না অসুম লাকপদা খরা চৎলগা য়েনবী অমা পুদুনা চৎপা সুপা অমা থেংনরমই। সুপা অদুদা মহাক্না হায়রকই "মরূপ, নহাক্না চানবিদুনা ঐগী মখোঙ নামা তেকলবা য়াও অসি লৈবিখ্রবদি সুংঙাইগনিদা?" সুপা অদুনা খুমকই" ঐ য়াও অদু লৈনিংই অদুবু শেল য়াওদ্রে। ঐগী য়েনবী অসিগা ওমবা য়ারবদি ওমসি? "হনুবনা খুমকই" মখোঙ তেকপা য়াওদি করিস্থ কাম্নদে। মহাক্না অমুক অমুক উপথু উপথুনা তুবসিদা মতু লোইনা ইতৎ তৎলে অদুগা য়াম্নস্থ মোৎলে। মসিবুদি য়েনবী অসিনা হেন্না কাম্নগনি। মসি থোং-লবদি, য়ুম্নোন কৈরোম্নবশিংদস্থ এঙ্খাং চারা অমত্তস্থ লানবা ঙমগনি" অসুম খন্দুনা মহাকী য়াওগা সুপা অদুগী য়েনবীগা ওমরে। খরা চৎলক্লবা মতুংদা, য়েনবী অদু অনাবনি হায়বা খঙলক্লে। মহাক মথম্নাই য়াম্না রারে।

অঙবা থবকী মহৈ

অনুমনা শিন্দোক্লিঙ্গিন তৌরিবৈঙদা মতম য়াম্না থেংজিন-নক্লে; সুমিদাংবাই ওইগনিক্লে। মহাক কুরিশুবা থবা চাদ্রবদি চৎপা ঙমগনিক্লে। মমৈথংদা মহাক্না য়েনবী অদু লুপা অমা শিন্দুনা য়োম্থোক্লে। মশিংপা লুপা অদুনা কুরিশুবাওদা হাপ্লুনা করিশুবা থবা নৈদ্রুনচ চারগা লাকপদা মফি মরোল শেংদুইরবা অমসুং য়োংলবা মহক অমা থেংনরম্মী। মহক অদুনা হায়রকই "ইবুংঙো ঐ চাকনিরবনি, চাক চারগে মতম কুইরে। চাক চানবা শেল থপিক্লা পীবিয়ু?" মহাক্না মশোৎনা থৌজাল হৈবা অমদি মরা-মনংগী মতোং থাগনরবা মী ওইরকপা মরম্না মহাকী থম্মোয় অদু অহল অদু-উবদা যাম্না নুংঙাইরমদে। মপুক থবা চাজররসনু থরুনা মঙোন্দ য়াওরিবা লংগ্রিক লংলরা লুপা ময়েক অদু চাকনিবা অহল অদুদা পীথোকখে।

সুমিদাংবাই ওইরক্লে, কব্রিসু অমাবা নুংঙাইতবা নৈজ্জা য়োমমোন মোমোন নোক্রদুনা মায়থোং য়াকা লাম্না ময়ুম য়ৌরক্লে। মহাক্কী হুপী হনুবীনা মপুরোইবা হল্লকপা উয়দা নুংঙাইদ্রম্মী অমসুং হায়রকই "ঐখোয়গী যগবী অদু মমল য়াম্না শিন্দুনা য়োম্থোক্লমলবরা?" মদু তাবদা হনুবনা মহাক্কী কৈথেন্দা তৌরুরা থোদোক পুরমক হনুবীদা তমথিরম্মী।। মহাক্কী যগগা মুক্তিং নায়না তাঙবা শগোলগা ওমবা শগোলগা অপঙবা অমসুং ক্যাওরবা গধাগা অমুক শিন্দবা মথংদা মখোঙ তেকপা য়াওগা শিন্দবা অদুদগী অমুক মখোঙ তেকপা য়াওগা অনাবা য়েনবী অমগা শিন্দবা। য়েনবী অদু য়োম্থোক্লগা অশিংবা মমল লুপা

অমুনা চাকথিবা অহল অমদা শীথোক্লবগী ৱারী পূন্নক মথং শিংনা তথবি। হনুবীনা ৱারী পূন্নক তাৱবা মতুংদা হায়রকই "ঐহাক্না ওমি তোক্লম্বা থবক পূন্নক পুকচেল চাওবগী থবক তাক্কনি। মরাম অদিগী মতুংদা খুৎইদগী পুকচেল চাওবগী মথক্তা, ঐহাক্না করিগুম্বা থবা লৈতুনা চাবে লাকপদা অমাওবা লেন থবা "অদু চাকনিবা অহল অদুদা শীথিবা অদুনি।" অনুমিৎ তায়রকপা মথোয় অনি নুমিদাংগী চাগদবা চাক্লা থবা চারগা তুম্খে।

ঙয়াংঙাক্লে, নুমিৎনা থোংপোক মাইকৈদগী ভরং ভরং অথৌবা মৈগপবা মঙালগা লোয়ননা জীর্বশিংগী মুংঙাইবগীদমক থোক্লক্লে। মালেম পুম্বা ম্না খিগেনা লৈতেংলে। হনুবী হনুবা মতৌ অনাওবা অমুকী লাইশোন শোন্দগে অমসুং লৈংথী শিন্না শায়গে হায়দুনা থোঙ হেক হাংদোক্লকপদা মথোয় অনিমা চপমান্না উবা, মতুংদা—মথোয়গী থোঙজিনমক্তা অমা মঙ কথবা নোয় পোল্না চাওবা কাবী অমা, খগোল অমা, গথা অমা, মাও অমা, অমসুং য়েনবী অমা, লেপ্তুনা লৈরম্লে। মথোয়শিং শন্সিন্না মপাদা করিগুম্বা অশোয় অচাম অমত্তা লৈতে, অকবা তাক্তনি। অদুক অদুমক্তদা য়েনবী অদুনা মথোয় অনিগী মমাঙদা কংত্রিক কংলবা কঞ্জবা নুপা মরেক অমা কোকলম্মী; হনুবনা খঙলে, মখুদিং—চুরেনবীনা কোকলিবা নুপা অসিমক, ওয়াং মাংমা কৈথেলদা চাকথিবা অহল অমদা শীথিবা অদুমক্নি। মথোয় অনি হায়মিংঙাই লৈতবা ওকলম্মী অদুদুং মুংঙাইরম্মী। হনুবীনা হায়রকই "ওয়াং কৈথেল মহাক্না যৈ থম্বি চাকথিবা অহল অদু অচৌবা নত্তে; মহাক [illegible]

মকী শায়ায়। য়েনবীনা কোকলিবা লংলবা মুপা মরেক থনি থাইনি, চেকশিন্না পুজা তোন্থনা থমলসি মসি লৈবকা ঐখোয়গী চাওখৎপা, লন-থুম চেংবা অমম্বুং মুংঙাইব[illegible]থানি।" থওঁইবমকসু ওইখি।

থুমু অমসুং কাক

(মাপ্রলবনা বাক্সী)

লৌউবা মুপা অমনা থুমু থমা লোইরম্মী। মহাক্কী চাউরবা ইংখোলদা হৈকোল লৈকোল মরক্তা থুমু লাবা-অমোংবা মকোনি কনবা শাগৎরম্মী। থুমুসিংগী মচা থরক্ত লৈরম্মী। চাউরবা হৈকোল লৈকোল মরক্তা শাংহনবা মকখদা পাইদুনা চানিংবদা চাদুনা মুঙাইবা মনিং তম্না লৈরম্মী। লৈবা অমসুং মীগী মুপা অনিমক থাজবা কনা মী ওইরম্মী। থুমু মচাশিং অমু মখোয়গী মচাগুম্বা মুপা তোৎখি। [illegible] [illegible] থুমু লাবগী থুমু অমোংবা লৈকোলা চংকাখিবই [illegible] [illegible] শাগৎরম্মী। থুমু লাবনা হায়রকই—[illegible] [illegible], [illegible] মুপা [illegible] মপী থনি মসি ঐখোয়বু ওইখোলা মুপা মুংঙাইনা তৌখিদে। মখোয়না ঐখোয়গী চাপকা চিজাক [illegible]

ঙশিং পিবি অদুগা ঐখোয়গী লৈফমগু কয়াদা চেক্লিন্না লুনা চান্না থম্বিরিবা।

খুনু অমোম্মা খুমলকই 'অচুম্বনি, ঐখোয়গী ইচাশিংবু মচাদ মচাগুম্না খনবি। মখোয়না ইচাশিংগী মখোওদা পোক্লেংগী, মখোল সুংশিরবা শরিক থা বি।' খুনু লাবনা হংলকই "লৌউবগী মচা সুপাশিং অসিনা ঐখোয়গী ইচাশিংবু লুনা চান্না তৌবিরা?" অমোম্মা খুম্লকই "করি অমুক হায়রুগনি. মচানিপাশিং অতুনা ইচাশিংগা শামন্তুনা মচিঙ্খাক ইনবিদুনা, লংজা, ক্বাক অমসুং হৌদোংনচিংবা তান্নাকনবিদুনা থাবাগী মখোয় ওয়নকুবদা হিদাক লাংথক তৌবিদুনা য়াম্না লুনা চান্না তৌবি। ঐখোয় য়াওদ্রবকাওবদা য়ারবনি। মখোয় অনিনা অসুম তৌনা নারী শারিরুদা ক্বাক অমা অনকপা উশা অমদা হোংল্লা লৈরম্মী। মখোয় অনিনা শাখির নারী পুরমক মহাক্না তাখিবকই। লৌউবা মতৈ মন্নাওনা খুনুগী ইমুং মসুংবু লুনা চান্না তৌবা অসি মহাক্না য়াম্না নুঙাইরমদে। মহাকী থম্মোয়দা কুল্লক মিহৌবগী মৈচাক্না চাক্লকলম্মী।

মহাকী য়াখুলদা খুনুশিংবু লৌউবগী মরুমদগী তাম্লোকপা হায়না চপ মুংনা থলদুনা খুনুশিংগী মনাক্তা লাক্লদুনা হায়রকই "মরুপ, লৌউবনা মখোয়বু থাংগৈশেংনা সুংশি হায়না খনবুরা?" খুনু ল্যারনা খুমকই "খল্লি, মখোয়না ঐখোয়বু য়াম্না সুংশি। ও অনুক্লোকপনি শোয়রে মতু নুংবে। মখোয়না নখোয়বু শিরুবা য়াচিন্না মচা অমদা কৈরুমশঙ্গদা থম্বুগনা থম্বিবরি। মেংবিয়

[illegible] উচেক কয়াদা পাম্লবা অতিদা; চাওবা উচেক [illegible] চুকোন অমসুং লোতুক কয়াদা কৌরগাই পাইরুনা চেতনা [illegible]। 'কয়াদা' মখিং মথা ওন্না অমসুং মুত্তাইবা [illegible] লোৎপা ?" খুমু লাবনা হায়রকই "মরুপ মহাক [illegible] [illegible]। কম্নিং খওদ্রে। যেংবিয়ু লোউবগী পাক্-চাউরবা [illegible] হৈকোল, লৈকোল অমসুং অচোবা পুখ্রি মরাম [illegible] [illegible] চংশিংবতা চং, পাইশিংবতা পাই অমসুং চাশিংবতা চাহুম্না কয়াদা মুত্তাইনা পুম্নি লোম্লিবা মতুংগী মথক্তা মখোয়গী পুক্কে [illegible] ঐখোয়না মথাও থুকনবে চাবদা কম্নিং অথিংবা লৈতে।" কাক্না হায়রকই "লোউবা মতে মপাওবা মখোয়বু চাফি অমসুং ফুরুপ হায়বা" [illegible] য়াম্না অয়াম্বা য়াম্বী। 'মখোয়গী মচাশিং [illegible] মপুং থয়ে কায়কপা অমসুং থুনা চাক্লকপা-ওইরুনা লৈরিবাদি হেক চাওরকপনা। খিকনরক মচাশিং অমি হাইদনা মখোয়গী [illegible] এবাং ওইরগদবনি।"

খুমু লাবনা হায়রকই "কদায়দগী নহু অয়াম্বা য়াম্বী"? মখোয়বু চাগে হায়রবদি, ঐনা ঐগী পুশীগা হেক লৈতবা [illegible] চাখোকখ্রগদবনি। মখোয়না ইচাশিংবু কম্নিওবনা চাগোই। কাক্না থুরকই "কয়াম্না খওবা ওবগনি।" মখোয় অনি লৈতিক [illegible] [illegible] শোক্লকবিগনি হায়বা ফুখোয়দা মুনা [illegible] [illegible] মখোয় অনিবুদি চাবিথিনবদি।" [illegible] [illegible] [illegible] শাওরক্লে অমসুং মখোয়না হায়রকই "নহু" [illegible] [illegible] "ফুরা চৈহৌ, থবা অাদিনসে [illegible]" [illegible] [illegible]

[illegible] অমি [illegible]" [illegible]

[illegible] [illegible] চেং[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] পাঙ[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] রাম্ব [illegible] কিরমী। [illegible]

[illegible] [illegible] ঐতম[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।"

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কন্দি [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] মীনি[illegible]" [illegible] [illegible] "[illegible]

[illegible] [illegible] মচাশিং[illegible] [illegible] চানিবই [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] হেনমি[illegible] [illegible] চানিনবি।" [illegible]

লাবা—"মথোয়গী মচাশিং অসিত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাৎ[illegible]। [illegible]

[illegible]।" "[illegible] [illegible] [illegible]ই।" [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]। "[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] মখাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] ।" [illegible] [illegible] [illegible] একমার। [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।" [illegible]—"[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]

মোংঙানবদা মকম অসি থাদোক্লগনি।" খুমু অমোম্না অঙশিন-লকপদা খুমু [illegible] হেক তানবদা খুমু লাবা অমোম্ [illegible], লৌউবগী ইখোল থাদোক্তুনা অথাম্না উমং তাম্না পাইখ্রে।

মীগী অকবা উরগা কম্নকপা, মীগী মুন্তাইবা উরগা [illegible] লোইবা মথুক কম্রবা কাকী থোইনশিংগী মুন্তাইরবা শাক্তি ওইরা খুমু-শিংগী পুন্সিবু মক কংনা মাঙহল্লে। মতুংনা মহাকী (কাকী) কম্নিঙ কাম্রবা অমসুং ওইরবা কংবা থবকশু নংলমদে। অথাম্না উমংদা, খুমুশিংগী পুন্সি অম্রাবনি। থোংবাং খুদিং খুদোং থিবা ওইরবো অপাকপা কাম্না শাইহুং তাইহং চাবা চাওবা-চাওরবা লংগী অমসুং খুমুশিংনা পাইশিনখ্রক্তুনা— মথৌরগী মচাশিংবু মমাংমকতদা লৈপাক, লৈপাকতুনা চাবা উবদা মাশিংগী মপি তাং তাংবা ভাতুনা উপাদা হৈরুনা থেংহুনা অমসুং মখোয় থোক থোক চাম্না পাংখি। খুমু অমোম্না খল্লকই "ওয়া" ওখোকপগী কাম্না চাওরবা কম্রবা কাকা লৌখিম থাইহেম্না মথৌরবু মক কংনা মাইহল্লে।

—

পুকচেল চাওবা যুবরাজ

(অঙাওবা খাঙ্গী)

হায়রিবা মমাংডা, মগধ লৈবাক্তা মতিক মঙাল চাওবা, থুংকন পাঙল্লবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মহাক্কী মহারাণী অনি লৈরম্মী। মহারাণী অহনবগী মচা মপা অমা পোক্লম্মী মহাক্কী মমিংনা নন্দ কৌরম্মী। অমসুং মহারাণী অতোপ্পাদি মচা অমত্তা পোকলমদে।

মহারাণী অতোপ্পীনা অহনবু হায়নিংঙাই লৈতনা কন্নক য়েংথিরম্মী। লৌতুনদুনা অমসুং থুজিন থৌরাং তৌদুনা মহারাণী অহনবু মাঙনবা অমদি থুদোক্থিনবা কন্না শিনবা হোৎনরে। মচেম অহন অমসুং মনা-ইবুঙো যুবরাজ নন্দবু, নিংথৌনা মুংশিনদনবা খা হৌবা শিনবা হোৎনরে। নিংথৌগী অমাকপা, অপারা অমসুং অফিসা রাজকশিং তাবদা মহারাণী অহন অদু মনাকোন্নুংদা লৈবা ওমশিন্নক্লে, লোংবা-লোংবগী অন্না থুদোংশিন্না হেনগৎ-লক্লে। মতু উবদা মহারাণী অতোপ্পা হরাওরে, নুংঙাইরে। লোংবগী মুমিত্তা নিংথৌনা মমা মচানা রাজা শাথিনা চৈরদুনা কোনুংদগী তাহোকলম্মী। মহারাণীনা অপিকপা মচা অদু পুরকদুনা নুংঙাইবা রাজকুল পুরমক থনমলগা মনাকোন্নুং থাদোক্লবা কমা কমা ঈশ্বরবু পোন্নদুনা চংবে৮ মহারাণী অতোপ্পী, লোমজন মহৈ য়ামদুনা নুংঙাইবগী পন্দোম লোমথে।

মহারাণী অহল্লা মচা অপিশক অর্থুগা অসুম লাক্লুনা খুজং অমগী চিদাইদা থাংপোকশঙ মচা অমা খল্লহুনা য়াম্না লাইরনা অমসুং উপায় লৈতনা লৈরম্মী। মখোয় অনি অশুকী মতিক য়াখ্রে, মহুদি মীসু লৈজদে শেলসু লৈজদে অমসুং চানবসু লৈজদে। অসুম তোনা য়ানা পুন্সি লেল্লক্রে। হন্না য়েংবদা মখোয়গী মী অমত্তা উথিদ্রে। সুংঙাইরিঙৈ মতমদা মরূপ য়াম্না লৈ অমসুং য়ারক্লবা, নংথরক্লব মতমদা মী লৈতে হায়বা অসি তশেং অশেংনা উবা ঙমলে। অসি য়োনা য়ারবা, খুদোংথিরব ফিভম চাত্রবা মতম অসিদা, মহারাণীনা মচানুপা নন্দগী মহৈ-মশিং তমবগী মরমদা য়াম্না চেকশিন্না অকনুং পুক্নিং চঙনা হোৎনজরম্মী। মচাবু থ্বাইদগী অন্নাংবা থাক্তা মহৈ-মশিং তমহল্লম্মী। মচা নুপা নন্দনসু মমা মহারাণীবু য়াম্না ইকাই খুমননা অমসুং নুংশিনা লোয়নরম্মী।

অসুম তোনা লৈরকপনা চহি কয়া হোখ্রে। নন্দসু মতমগী মতুং ইন্না চাউথৎলক্রে। মহাক মীওই মীতৌ ফজরবা, পূকচেল শেংলবা য়েংবদা মিংফম হোংবা য়াত্রবা পাখং অমা ওইরক্রে। মতম অসিদা নন্দগী চহি তরাতরুক শুরক্রে। মহাক লায়ন্দা হৈ-শিংবা, থৌনা ফবা অমসুং য়াথন্দা চংখোনবা মী অমা ওইরক্রে। লৈবাক অদুগী অচৌ অশাংশিংগা মহাকা নুন্না তিজরম্মী অমসুং লৈবাকী মী খুদিংমক্তা নুংশিরম্মী। হায়রগী মখোয়গী ফিভম থন্না ফগৎলক্লহুনা মখোয়না লৈরবা থাংপোকশঙ অদু থাদোক্লুনা সহর ময়াদা য়ুম অমা শাহুনা

লৈরে। মচা-নুপা নপুংশী অকুপা গুণ ময়াম অসি নিংথৌগী সনা লাকোং থোরক্লে। মহাক্না তৌখিবা মখাল-ময়াম অদু থবুক্তা মথক্তা হয়া-হয়া অনুতাপ তৌরক্লে।

(ii)

'মেনোক্না কিশাবগী নুপা, অনিশুবক মহৈদা লাক্লম্মী। মখোয়না কঞ্জনা শাগি থক্লি খোউবা পুক্নম্মী। মখোয়না মথং মথং লাক্লুবা নিংথৌগী কোনুং মনুংদা চঙলক্লুনা নিংথৌ অমসুং মহাক্কী লৈমা কঞ্জনা শাগি অদু উৎলম্মী। পুক্নিমা শাগিশিং অদুগী মমানমক মহাক্কী অকোনবীবা শামা পামলম্মী, শাগি অমা য়াওরম্মী। মতুংদা সনানা শাবা পাগিনি। মদু মহাক্না লৈবিংতা লম্বুদা মমা হংলম্মী। কিশাবনা সনা-কাঙ্জোই (সনাগী লেঙ্ক) লিশিং কুন লোগনি হায়রম্মী! নিংথৌনা হায়রক্ই, "শাগি অদুদা সনা-কাঙ্জোই লিশিং কুন পিরবদি য়ামদ্রি। মমল অদুদা য়াওবা পোং; ঐখোয়না লামদে চংদেরো।"

কিশাবা অদু নিংথৌগী ৱা তাবদা ঙকলম্মী। নিংথৌনা শোয়দনমক মখোয়গী শাগি অসি লৈবিগনি হায়না থাজম্মী। চাওরবা লৈবাকী মপু ওইদুনা সনা, লুপা, লন থুমগী ভুংকম ওইরিবা নিংথৌমক্না মখোয়গী শাগি অসি লৈবিরবদি লৈবাক অসিগী ককাংগুবা শী 'অমত্তা লৈবা ঙমলরোই' হায়বগী ৱাথন্নবা অথবাই ৱারম্মী।

মখোয় অনি কোন্নুংদগী মথরাই রানা থোককী। শারি অদু শাবদা অঙকপা কংনা শেল তিংখিরম্মী অমসুং মতম চং-খিরম্মী। থনবদা মখোয় য়াম্না রায়ম্মী। মখোয় অনিনা অসুম লাকপদা লম্বীদা মজা ইবুংঙো নন্দগা থেংনরম্মী অমসুং হংলকই "নখোয় কনা কনানো, করিনো পুরিবা অদুনা?" কিশাবনা খুমলকই" মজা ইবুংঙো যুবরাজ, ঐখোয় কিশাবনি, ঐখোয়না পুরিবসিনা মমল য়ামলবা অকবা শারিনি।" নন্দনা কিশাবশিং অদু মহাক্কী মযুমদা পুশিল্লে অদুগা শারিশিং অদু মমাদা য়েংহলম্মী। মমা মহারাণীনা সনাগী শারি অদু উবদা ওকলম্মী অমসুং "মমল কয়ানো" হংলম্মী। কিশাবনা সনা কাজোই লিশিং কুন লোগনি হায়না খুমলম্মী। মহারাণীনা হায়রকই "শারি অসিনা কজবগী হায়রুরবদি মমল অসি মতিক চাই, অদুবু ঐদি অসুক য়াম্না লৈনবা শেল লৈজদে।" মদু তাবদা নন্দনা কিশাবদা হায়রকই "শারি অসি ইমাগীদমক ঐ লৈরগে অদুবু হৌজিক শেল পী-নিংঙাই লৈদ্রি। ঐনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা হৌজিক্কী মমল অসিগী শরুক অনি পীবা য়ারবদি শারি অদু ইমাগীদমক পিরুসু।"

কিশাবনা হায়রকই "পূকচেল চাওরবা মজা ইবুংঙো হায়বিরিবা অদু ঐখোয় য়াজরে। যুবরাজনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা মমল পিবিয়ু। শারি অসি লৌদুনা মহারাণীদা পিবিয়ো।" অসি হায়রদুনা কিশাবনা শারি অদু যুবরাজদা পিদুনা অমসুং মচা ইবুংঙোনা মমা মহারাণীদা কৎলম্মী। মহারাণী

হায়নিংঙাই লৈতবা পেল্লম্মী। মুমিৎ অসিগী মুমিদাংরাইরমদা মহারাণী অহম্না. মজা ইবুংঙোনা লৈখিবা ফজরবা সনাগী শারি অদু শেৎলগা, সহরগী মসুংদা লৈবা অচৌবা মন্দির অমদা ঈশ্বর খুরুম্বা চৎলম্মী। তারমদাই মুমিৎকী ভ্রাণ্ডানবা সনা মচু মান্নবা নিংথিরবা মশেক্না উপাল রাপাল হৈরাং লৈরাং অমসুং ফুরা দলাল পুন্নমক মীরম্লেনগী ওইদবা লাইরৈবাকী, তোপ তোন্না মচু অমগুম নিংথিহল্লে। নিংথিরবা মুমিদাংরাইরম অসিদা মহারাণীনা. ঈশ্বরগীদমক অশেংবা রাখলগা লোয়ননা পুক্নিংচঙনা হেক্রবা হৈরাং লৈরাংশিং অদু শেম্লেংগী ফজরবা শেনপাক অমদা হাপলদুনা খুদোংননা পুরদুনা মন্দির তান্না চৎলক্লে। মহাক্না হলকী অনৌবা সনাগী শারি অসি শেৎপদি কনাগুম্বা অমনা শেৎপদা মহাকুন্না চিংলেম্না অমসুং ফজনা উররোই।

অতম অসিমক্তদা নিংথৌ অমসুং মহারাণী অতোম্বী মপোক্নগ্ন মনাই ময়ামনা থৌগল তৌরদুনা হায়রিবা মন্দির অসিদা লেংলক্লমই। মহারাণী অহম্না সনাগী ফজরবা শারি শেৎলদুনা মন্দিরদা লৈরম্বা অদু নিংথৌ, মহারাণী অতোম্বী অমসুং মনাই ময়াম্না উরমই। মহারাণী অতোম্বীনা হংলকই "মহারাজ মহারাণী অহন্দা মহারাজনা শারি অসি লৈদুনা পিবিরুবরা?" নিংথৌনা খুয়কই "মহারাণী, ঐ মদু তৌদে। মহাকী মচানুপানা মমাগীদমক লৈবা ওইরমগনি।" মহারাণী অহম্না অদুগুম্বা ফজবা মমল রাম্বা ফিরোল শেৎ-চাবা অদু মহারাণী অতোম্বীনা রান্না

কল্লকলম্মী, খোয়ল্লাংলম্মী অমসুং মথল্লাই সুংঙাইরমদে মরম অদুনা নিংথৌবু মরম থিগৎহন্নবা খুজিন থৌরাং তৌরমই ৷

অহাক্কী মচা মুপানা, মমল অচুক য়ামবা শারি অদু কদায়দগী শেললা লৈরিবনো খনবদা নিংথৌ অদু চমমনরম্মী। নিংথৌনা মচাবু সনাকোম্নুংদা কৌখংলে। মপাবুং মহারাজগী মনাক্তা নন্দ যুবরাজ লাকলে। মচাবু হেক উবদা নিংথৌগী থম্মোয়দা নুংশিবা ফংওরমই। নিংথৌনা হংলকই "ইপাগী ইবুংঙো, নমা মহারাণীগীদমক নহাক্না সনাগী শারি অমা লৈ হায়বা ঐনা নিংথিনা খঙলে। করি মরমগী শারি অদু লৈরিবনো?" নন্দনা খুমলকই পাবুং মহারাজ ইমানা শারি অদু য়াম্না থল্লাই ভানা পাল্লম্মী অমসুং লৈনিংলম্মী। মাদু উবদা শারি অদু নচানা ইগাগীদমক লৈজবনি। শারি অসি ঐগী ইমামক্না শেৎপদা মতিক চাবনি। অদুগা, ইমাবু পেলহনবা অমসুং মপুক্কিং থুংহনবা অসি ঐগী লাইনিংনি, মাদুগীদমক হোৎনবদা ঐগী থল্লাই কাওবা কৎথোকচরি।" নিংথৌনা হায়রকই, "ঐনা খঙই মদুদি নহাক্কী করিসু লৈতে, অদুগা অচুক য়ামখ্রবা শারিগী মমলদি কদায়দগী পিগদৌরি?" নন্দনা খুমলকই "পাবুং মহারাজ অচুম্বনি। শারিগী মমল পীজখিদ্রি। ঐনা নিংথৌ ওইরগা শারিগী মমল পিগে হায়না ফিশাবশিংগী মকমদা রাশকচখি।" নিংথৌনা হায়রকই, "নঙদি ঐনা তাম্নোকপ্রবনি অদুগা করম্না নিংথৌ ওইগদৌরি?" নন্দ—পোকপদগী হৌজিক ফাওবদি ঐখোয়গী ফিভম খঙলক্লি, অদুবু পাবুং মহারাজ, হয়েং করি ওইগদগে খঙবিব্রা?" মতম

থৱাগী মতুংদা পাবুং মহারাজনা খোজানবিরক্তুনা ইমাগ্য ঐগা অমুক কৌখিনবিরক্রবদি, চাওরবা লৈবাক অসিগী ঐনা শোয়দনা নিংথৌ ওইরখিগনি। মীওইবনা মসিগুম্বা সুংঙাইবা রাখন্দা থাবাই হিংনরি।"

নিংথৌনা নন্দগী মমা নিংবা, মমাবু ইকাইখুম্নবা উৎপা অদুগা লেলবগী ইজৎ অমস্তুং মিংচৎনা হেক্তো লুনা থনবা মরাম অসি উবদা য়াম্না পেল্লম্মী। অদুগী মথক্তা মী অমনা পাক তানবা ওমুম্নবা মগুণশিং অদু উবদা নিংথৌদু অমুক হন্না থাওদুনা লৈথরা ওমলক্তুদুনা হায়রকই "সুংশিরবা ইপাগী ইবুংঙো নন্দ নহাক্না ঐগী চাউরবা লৈবাক অসিগী নিংথৌ ওইবদা মতিক চারবা ইচলনি। নহাক্না নিংথিনা নিয়ম চুম্না প্রজাশিংবু সুংঙাইহন্দুনা লৈবাক ঙাকপা অদু ঐ উনিংলে। ঐগী চাওরবা লৈবাক অসি নঙোন্দা পিরগনি।" থিন্দনমক নিংথৌনা মহাকী মহারাণী অহন অমস্তুং মচা ইবুংঙো নন্দ, মমা মচাবু সনা নাক্তা কৌ-থখে। মহারাণী ভতোম্বীনা মহাক্না ভৌখিবা মরাল পুন্নমক ঙাকপিয়ু হায়না মচেম মহারাণী, নিংথৌ অমস্তুং মচা ইবুংঙোদা হায়জরবদা থোইদোকপা খোয়থা-লিনথা থানবা ভোদনা ঙাকপি-খি। মখোয় পুন্নমক পূকচেল তিম্নমা লৈমিন্নখি। মতম খুরগী মতুংদা মপা ইবুংঙো মহারাজনা মচা নন্দবু চাউরবা মগধা লৈবাকী নিংথৌরেল হাম্নিরে অদুগা মহাক্না মচা ইবুংঙো নিং-থৌবু ঙাকশেনবা ওইনা লৈখি।

অন্দনা নিংথৌ হেক ওইবগা ফিশাবশিংবু কৌথক্লা সনানা শাবা শারিগী মমল অচু শরুক অমি হেক্না শাক্লা

ওব্বা অমসুং ছাত্র

(তন্নামাথোইশুব্বা ব্বারী)

থাগনা, থায়না মমাংওৈদা থাপ্পবা গ্রিস হায়না কৌবা লৈবাক্তা মতিক মগুণ চাওরবা অওকপগী মশক ফংলবা সুপা অমা লৈরম্মী। মহাকী মমিং চিরোন কৌরম্মী। মহাক্তি সহরদগী য়ান্না থাপথ্রবা মী তাদবা চাওরবা চীংগী মখোঙদা চীংসুংহুৎ অমদা লৈরম্মী।

চিরোনগী মকোক্তগী মথ্বাং কাওবা মীশী মশক ওইরম্মী অচুগা মথাগী শরুক্তা শগোল ওইরম্মী। মহাক মী অমসুং শগোল অনিনা পুনশিনবা জীব অমা ওইরম্মী। শন্না হাপ্পরবদা শগোল অমগী মওকী শরুক অচুদা মীগী মশক ওইবা কোক, ওক, লেংবান, পাম্বোম, থবাক অমসুং পুক পানবনি।

চিরোন মগুণ লৈরবা হৈশিংলবা খ্বাইদগী ফরবা ওব্বা অমা ওইরম্মী। মতম অচুদগী লৈবাক অচুদা লৈরবা অকল অহৌ-অহৈ-অশিং পুম্নমক মহাক্তা তম্বীবিবা ছাত্র ওাক্তা ওইরম্মী।

মহাল্লা মহাকী ছাত্রশিংবু, লিকাপ-তেনকাপ, থাঙ-তা নম্ব-য়ৈনবা, লৈবাক ঙাকলোন, ঈশৈ, অহ অমম্ভুং কবিতা অদুগা লোয়ননা থৌনা কব', পৃকচেল্ল চাওবা অমম্ভ- লমচং ফজবনচিংবা মথল মথা কয়াস্থ তম্বিরম্মী। ছাত্র পুন্নমক মহাকপু য়াম্না মুংশিরম্মী অদুগী মথক্তা কিনা নুনস্থ চংলম্মী। অম্ভম তৌন। চিরোন্না চিক্লবা চীংগোল অদুদা মহাকী ছাত্রশিংগতা সৈমিন্নরম্মী মথোয়বু থ্বাইদগী কব্রবা মহৈ-মশিং অ-মুং ধর্ম্ম তম্বি-তাকপিরম্মী।

ভুমিৎ খুদিংগী ওইনা মুপামচাশিং অদু চী'ঙ্গাওগী মনাক্তা লৈরিবা অচৌবা উমংশিংদা কো'ইচং চত্তুনা মথল মথাগী মশ'ন্না শান্নবা লোইরগা মুমিদাংয়াইগী মতমদা মখে'য়গী ওবা। চিরোনগী 'মনাক্তা হেক, হেক হম্ক্রম্মী অদুগা মানা মানা মুমিৎ অদুদা তৌরুবা থবক অমম্ভুং উরুবা পোৎ খুদিংমক ওবাগী মফমদা তমলম্মী। মথোয়না অকন অথৌগী থবক তৌরকপা অদু তারগ' চিরোন্না য়াম্না থাগৎলম্মী। অদুগী মতুংদা মথোয়না চাক এঞ্জাংবু থোংজুনা চারগা চিরোন্না তম্বীবা রাগ রাগিনিদা মুংশিনা ঈশৈ শকুগা, লৈতেম মান্নবা লমদা হোরবা মোন-মোন লাওনা মুংঙাইরবা অশংবা নাপীগী মথক্তা তুমলম্মী।

অহৌশাগুম্না, মুমিদাংয়াইরম ওইরক্লতুনা মথোয়গী লৈকম শুরুং অদুদা হন্নকলম্মী অমম্ভুং শুরুংদগী মথোয়গী ওবা চিরোনবু থোক্কেল অমত্তা ওইনা লাওনা কৌরকলম্মী "ওবা ইবুংঙো, অমুক্তা থোকপিরকউ। ঐথোয়না পুরকলিবশিংসি য়েংবিয়ু।

ভিরোল্লা থোকলক্কুনা মখোয়বু ওকপিরমই, মখোয়বু উবদা য়াম্না নুংঙাইরম্মী।

ছাত্র অমনা হায়রকই, "ওঝা শক্তি অনি অসি ঐনা হাৎলকপনি, ঙসিদি ঐখোয়গী হাওরবা এঙ্কাং ওইরগনি"।

অহুমশুবা ছাত্র অমনা হায়রকই "ওঝা লমষণ অসিগী মঙক্না হুক্লিব উরী অসি ঐনা হুকপনি। ঐ, কয়াদা কন-খ্বনো? উরী অসি পায়দুনা ঐখোয়গী মরক্তগী অমমম থোক্কুনা লমসগণবু লম্পাক্তা চিংদুনা অকনবা তাম্নসি"।

অনিশুবা ছাত্র অমনা হায়রকই, "ওঝা শঙম মচা অনি অসি ঐনা খুৎনা নমদুনা ফারকপনি। মসিনা ঐখোয়গী নুমিৎ খুদিংগী শারাক তমদুনা নুংঙাইনা শাম্নবা য়ারগনি।" ময়াম অসি উবদা চিরোন মথরাই নুংঙাইরম্মী।

এসক্লেপিস হায়না কৌবা ছাত্র অমদি ময়াম্না তৌরিবা অদু য়াওদনা থাপতক্না লেপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক্না উ-না খরগা লৈ খরগা মথুৎ নামদা পায়রম্মী। অদুগা নামদনা লিল অমা পায়রম্মী। মহাক্না চিরোনগী মফমদা লাক্লগা থোৎনা মেঙলবা খোনফমদা হায়রকই।

"ওঝা ইবুংঙো, ঙসি ঐনা উমংদা চৎপা মতমদা লিল অসি উ-নাশিংসিগী মনাক্তা চঙলগা মহাকী অহল ওইরবা মশা অদু থাদোক্লগা নহা ওল্লম্মী। ঐস্থু মহাক্না তৌম্নিবা পুম্নমক পুক্লিং চঙনা য়েংদুনা লৈরম্মী। অদুদগী উনাশিং অদু হেক্লগা খুজং অমদা চৎপদা অশিবা মী অমা থেংনজরম্মী। ঐনা উ-নাশিং

অসিগী মহী শুমদুনা চাইরুবদা অশিবা মীদু হিংলে। অদুগী মতুংদা অসুম লাকপদা অনাবা হায়েং অমা থেংনজরম্মী। হায়েং অদুদা উ-না অসি পিজরুবদগী মখা অদু পুংক ফরম্মী।"

চিংরোয়া মহাকপু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলদুনা হায়রকই "অঙকপনি নহাকনা ঙসি তৌরুরিবা থবকশিং অদু।" এক্লেপিসবু মনাক্তা চিংশিল্লদুনা হায়রম্মী, "ঐগী মুংশিরবা মুপামচা, নঙ্না তৌরুবা থবক্তা খ্বাইদগী অকবনি। নহাক্না জীববু অশিবদগী করে অমসুং অনাববু ফহল্লে অদুগা মখোয়না তৌরুরিবা থবক্কি জীবক্তু হাৎপনি।"

বেনজামিন অমসুং মপা

(ভক্তাসিথোইবা ৱারী)

চাওরাক্লা চহি চনিরোমগী মমাংদা, আমেরিকাগী সহর অমদা বেনজামিন ফ্রানক্লিন কৌবা মুপা মচা অমা লৈরম্মী। মথৈথংদা মহাক মী পুন্নমক্লা ইকায়খুম্নবা অচৌবা মীশক অমা ওইখি অমসুং আমেরিকাগী জাতিগী ওইবা; পুন্সিদা কাগৎনবগী লম্বীদা অচৌবা শরুক য়াখি।

বেনজামিন. অঙাং.ওইরিঙৈদগী শাওং-শাদা ফজবা, কুচু-কুমেন থিংখিবা লমচৎ-শাজৎ ফজবা অমসুং তরু-তনাসবা "মুপা মচা

অমা ওইরক্লম্মী মহাক অঙাং অমা ওইনা মরোশিং চাওর্বা থবক্তা খোইজংবা ওইরম্মী। বেনজামিনগী মপানা মহাকপু য়াম্না লুনা চান্না তৌইরম্মী। মহাক ঙা ফাবা য়াম্না পামলম্মী। অনকপদা লৈবা পুখ্রি শিংদা মরুপ-মপাংগা লোয়ননা বেনজামিন্না ঙা ফাবা হেক হেক চৎলমই। পুখ্রি অদু লৈখোম্না থুকউ য়েৌনা পুংথরম্মী, মখোয়না তোংলিবা খোংউপ অমস্তুং ট্রাওজর (খোজ্রাও অচোনবা) শিং ইতং তংতনা মাওলকই। মতম শাংনা শাংনা লৈখোম মরক্তা ঙা ফাদুনা লৈরম্মী।

জোহ মদি ময়াম্না, ঙা ফারিবৈদা বেনজামিন্না মরুপশিংদা হায়রকই,—"এখোয় ময়াম্না লৈখোম মরক্তা য়াম্না মুংঙায়বনা ঙা ফারিবা অসি তোক্লসি। মকম অমদগী মফম অমদা চৎপদা ওস্থোক্লা য়ানরে। ঙা ফাবদা লৈখোমদা কুমদনবা মুংঙাইনা ফানবা থবক অমা পাংথোক্লসি। অসি হায়রদুনা মহাক করিগুম্বা থোরাং অমা পুথোক্লবা থল্লম্মী।

মুমিংতুগী ঙা ফাবা লোইদুনা ময়ুমদা হল্লকপদা লমহাং অমদা নুঙ মপৈ, মপৈ থরা পৈদুনা লৈয়ম্বা বেনজামিন্না উরম্মী। নুঙশিং অদুদি লৌউবা মুপা অমনা ময়ুম শাজগে হয়েনা পৈ-থৎতুনা থম্বা ওইরম্মী। বেনজামিন্না হায়রকই —"য়েংউ আদা লৈরিবা নুঙ ময়াম অসি, মাসি লৈরবদু করিগী এখোয়না লৈখোম মরক্তা 'অমুক য়ানা ঙা ফারুম্বিগদগে? এখোয়গী খোংউপ খোংগ্রাউমু মাওলরোই। নুঙ ময়াম অসি খোল্লগা পুখ্রিদা থাদব্লসি অদুগা খেল মচা 'অমা 'শারসি। 'অদুম তৌরবদি

ঙা ফাবদা য়াম্না খুদোং চারগনি। অদুগা অতোপ্পা ঙা ফাবা মী লাক্কুনা ফাররবস্মু মখোয়গী খুদোংচাবস্মু ওইরগনি।"

মখোয় পুম্নমক য়ানরে। সুমিদাংগী থাবন্দা নুংঙ হোনবা লেপ্পরে। সুমিদাং ওইরক্লদুনা সুপামচা পুম্নমক উনরদুনা নুংঙশিং অদু পুক্নি তাম্না হোল্লে। মখোয়না মীণীং য়াম্বা মরম্না নুংঙশিং অদু হোনবদা ইরাই লাইবা থবক অমা ওইরে। থিন্দনমক পুখি মসুংদা ফজরবা থেল অমা শাখ্রে। থবক অদুগী লুচিংবনা বেনজামিন্না ওইরম্মী। মখোয়গী থবক লোইরদুনা মখোয় মশেল অমগা অমগা থাগৎনদুনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে।

মথংগী অয়ুক্তা য়ুম শাবা মী লাক্কুনা থবক শুরগে হায়না য়েংলকপদা নুংঙদি লৈরমদ্রে। নুংঙ লৈরমদ্রবদা মখোয় পুম্নমক ইঙক ঙক্লরে। মখোয়না নুংঙ থিরকপদা খোঙ্কুন মচা মচা মফম অদুদগী পুক্নিরোমদা চৎথিবা থেংনরম্মী। সুমিদাংদা অঙাংশিংনা নুংঙনা থেল শারম্বনি হায়বা তশেংনা খঙলে। মখোয়না য়াম্না চেকশিন্না য়েংলম্মী অমসুং থেল অদু ওস্থোক্না চেকশিন্না নিংথিজনা শারমখ্রে। অঙাংশিংনা তৌরম্লিবা থবক অদু মচু তাবগীদমক য়াম্না থাগৎলম্মী। অদুবু নুংঙ হুরাল্লবগী-দমক শাওরম্মী।

নুংসু অদু থোইদোক্না ফত্তবা মীশক নৎলমদে মরম অদুনা মানা পুলিসদা তাক্লমদে। অঙাংশিংগী মপা-মমানা খঙলদুনা মচাশিংবু ফুবি চৈবিরে। বেনজামিনগী মপাস্মু থৌদোক অদু তারদুনা শাওরম্মী। মচাবু মহাকী কাদা কৌশিলদুনা হায়রকই

"বেনজামিন, নহাক্না লৌউবগী হুম্ন শানবা পৈদুনা থম্লিবা নুঙ হুরাম্লুরিবা মরম করিগীনো।"

বেনজামিন, অহানবদা কিরম্মী। অদুবু থৌনা ফনা খুম-লকই, "বাবা মসি হুরানবগী থবক নত্তে। ঐগী কান্নবগীদমক নুঙ লৌরুবস্তু নত্তে। মীয়ামগী কান্নবা থবক তৌবা পাম্মী। য়ুম্বুনা নুঙশিং অসিনা মযুম শাখ্রবদি মথন্তুগীদমক কান্নবা ওইখ্রগনি"। বেনজামিনগী মপা অদু শাওবা হন্নমত্রি। মহাক্না মকোক হাইরদুনা হায়রকই "নহাক্না ফনা য়াম্না মীগী অফবা থবক তৌরুরে খঙ্গিবদো থাক্লেংশেংনমক লাল্লবনি"।

অদু ভাবদা বেনজামিন্না ইঙক গুরুদুনা খুমলকই, "করম্না ?" মচাগী কিভম অদু উরদুনা মপানা মচাগী ময়েংবাদ্দা নানবিরদুনা হায়রকই, "বেনজামিন। মীয়ামগী করিগুম্বা অফবা থবক তৌবা মতমদা ঐখোয়না অফবা লমচংপু খক তুংওইনরোইদবনি। ঈশ্বরনা হুয়ানবগী থবক অসি শুকয়া য়ারগদে। হুরান্লোইদবনি হায়রবা য়াহৈ অসি ঈশ্বরগী খ্বাইদগী কন্নবা য়াথংনি। ঈশ্বরগী নিয়ম শুগাইদুনা করিগুম্বা মীয়ামগী কাননবা থবক তৌরুরবস্তু মদু অফবা থবক শুকওই ওইদ্রে। অফবা থবক তৌগে হায়রবদি অফবা পাম্বৈনা হোৎনগদবনি। অদুগা নহাক্না মীয়ামগী অফবা থবক তৌবদা কনাগুম্বা মী অমত্তদস্তু অয়াবা পিরোইদবনি।"

অপানা পিরকপা পাওতাকশিং অদু বেনজামিনগী থম্মোয়দা ঈশ্বরনা পিরকপা মঙানগুম ফাওরম্মী অমসুং হায়রকই, "নুংশিরবা

বাবা, ঐ শগুজরে। ঐনা তৌরুম্বিবা থবক অদু লাল্লে। মতুংদা অমুক হন্না ভৌজররোই।”

অতুংদা বেনজামিন্না মহাকী মপানা তাকথিবা পাওতাকশিং অদু থৌদোক খুদিংদা নিংশিংখি। মতুনা মরম ওইরদুনা মহাক অচোবা ইকাই খুম্নবা মীশক অমা ওইখি।

নেপোলিয়ন অমসুং নহা অমা

(তরাম্নমচোইশুবা ৱারী)

চাওরাক্লা চহি চুনিরোমগী মমাংদা ইউরোপ মহাদেশকী মনুংদা ফ্রান্স লৈবাক্তা নেপোলিয়ন হায়বা কোবা মতিক মগুণ চাওরবা অফাওবা লান্মী অমা লৈরম্মী। মহাক্লা নহা ওইরিঙৈদা ফ্রান্স লৈবাকী ইচম চম্বা লান্মী অমা ওইনা চংখি। অদুবু মহাকী মথৌনা লৈবা অমদি হৈশিংবা মরম্না য়াম্না থুনা মফম চাওখৎলকলম্মী। মতম থরগী মনুংদা মহাক ফ্রান্স লৈবাকী খুৎলাইদগী চাওবা মীশক অমা ওইরক্লে। মহাকী লৈবাক্তা থংনবা লৈবা লৈবাকশিংগা লান্না শোক্নরগী অমসুং য়াম্না শাথি শাথিনা মায়থিবা পীরম্মী। মহাকী মপান্বোমগী পান্না ফ্রান্স লৈবাক অসি থরাইদগী শক্তি লৈবা মখিং ভাংনা থক-থক লিকনা কিনবা লৈবাক অমা ওইরক্লে।

নেপোলিয়না মহাক্কী মথাদা থবক ভোবা মীশিং অদু মপাগক্কা য়াম্না চেকশিন্না থমমী। মখোয়বু থবক কন্না শিজিন্নরমী। মপাক্কা থবক কল্লকপা মতমদা মখোয়বু অকনবা থবক শিজিন্নরম্মী অদুগা থবক্কা থরা পারকপা মতমদা মহাক্কী মীশিংবু লুনা ভৌরম্মী। নেপোলিয়ন য়াম্না গীম্ভুংশি থঙবা মীনি। মহাক্কী মথাদা থবক ভোবা মীশিংবু লুনা ভৌরম্মী অমস্তুং মতিক চানা তলব পীরম্মী।

নেপোলিয়নগী মথাদা সেক্রেটরি কয়ামুক লৈরম্মী মখোয়দুগী মরক্তা, মশক মতৌ ফজবা য়াং-চাওরবা নহা অমা য়াওরম্মী। নেপোলিয়ন্না মহাপু য়াম্না চাল্লম্মী অমস্তুং ফ্রাঙ্ক (ফ্রান্স লৈবাকী শেল) লিশিং অমা তলব ওইনা পীরম্মী। মুপা অসিগী ফত্তবা শাজৎ অমা লৈ মদুদি মহাক্কা তাঙিবা শেলদগী য়াম্না কা হেন্না চাদিং (খরচ) তৌথোকই। শেলশিং অদু তোম তোম খরচ তৌ-থোকখিবনা মরম্না থুনমক মহাক মীগী শেন্দোনবা অমস্তুং লব-শোৎপা মীশক অমা ওইরক্লে। মহাক, সহরদা লৈরিবা মী অয়াম্বগী শেল তোনশিন্নে। শেলবুশিংনা তোইনা তোইনা শেল থৌজিল্লক্লে। অদুক য়ামথবা শেলময়াম অসি কন্না শিংগনি খনবদা মকোক উরু উরু লৈবা মথৈ তাওরম্মী। মহাক মথন্নাই য়াম্না য়ারম্মী। শেলগী য়াথন্দা মহাক চাবা তুম্বা চঙলকত্রে।

মোহৎমা মুমিদাংগী অমা মহাক্কী মুমিদাংগী চাগদবা থন্না চায়গা ভুমগে হায়না ফমুংদা চঙলম্মী অদুবু শেলগী য়াথন্দা মমিৎ উইশিনবা য়াথিত্রে। মহাক্কা তোম-

শিন্নিবা শৈলশিং অদু হন্না হন্না খন্নকলম্মী। মমৈথংদা তৌকন্ন থংলজুদুনা কমুংদগী হৌগৎলগা মহাকা অফিসতা চৎলগা মৈ থাজৎলগা চৌকীদা ফমদুনা থবক শুরম্মী। মতম অসি অহিংগী থেংলবা তাঙ্গা ওইরম্মী। মহাক্না থবকশুবা হৌখ্রবা মিকুপ খরগী মতুংদা নেপোলিয়নসু মাইকৈ অদোমদা লাক্লম্মী অমসুং অফিস মনুংদা থাউমৈ থানবা উরদুনা কা অদুদা চঙসক্লম্মী। মুপা অদুগী মনাক্তা থান্নিবা চৌকি অমদা ফমলম্মী। সেক্রেটরি অদুনা নেপোলিয়নবু উরদুনা চৌকিদগী হৌগৎলগা ব্যবহার তৌরম্মী।

নেপোলিয়ন্না হায়রকই, "সেক্রেটরি, হৌজিক থেঙ্ন্বা অহিংগী মতম অসিদা নহাক্না থবক শুদুনা লৈন্নিবদি কন্নিগীনো।

সেক্রেটরিনা খুমলকই, "ইকাই খুমনবগী মশক ওইরবা ইবুংঙো, লৈন্নিবা চিঠিশিং অসিগী পাওখুম য়াম্না থুনা পীগনিংই। হয়েং, অয়ুক অঙনবদা থাজখিগে।

নেপোলিয়ননা হায়রকই "মদুবু য়াম্না অথুবা চেয়া, অমুক্তা য়েংগে পীরকউ।" নেপোলিয়ননা চেশিং অদু পারগা অথুবা চে নত্তে হায়বা খঙলদুনা হায়রকই, "চিঠিশিং অসি অথুবা নত্তে। হয়েং নোংঙাল্লগা মসিগী পাওখুম পিবা য়াগনি। থেংলবা অহিং অসিদা নহাক্না নথন্নাই অদুক ন্নানা থবক শুন্নিবা কন্নিগীনো? চৎলো মুংঙাইনা তুম্মুন্নো।"

সেক্রেটরিনা খুমলকই "ইবুংঙো ঐ তুম্বা য়াদ্রে। অরেম্বদা মতম মাঙখিগদবগী শরুক অফিসকী থবক থন্না শুজখিগে।"